

ঐ ধুংসার পাবলে

হৈং সিংহ


ঐ খুৎলায় পায়দে

(১৯৯৭)

থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ

ঐ খুৎলায় পাইদে

(*EI KHUTLAI PAIDE*-- a collection of 43 manipuri poems by Thoudam Netrajit Singh, Lamdeng, 1997)



আহানবা [illegible] মার্চ, ১৯৯৭

তাফোংবা: সান্তবীর থৌদাম

লমদেং মখা লৈকাই

কংফম থোকপা: অইবা

মখ্যম য়েকপা: সৌবাম নীলকান্ত

মখ্যম নম্বম: স্কন প্রিন্টিং প্রেস, লমশাং

লাইরিক নম্বম: রাজেন প্রিন্টিং প্রেস পাউনা বজার, ইম্ফাল

কোপি মশীং: লীশিং অমা

মমল লুপা: কুন্থ্রামডা (লুপা ৩৫)

অইবগী :ফাওখ্রবা লাইরিকশিং

১) ইম্ফাল সহর (শৈরেং, ১৯৯৫)

২) [illegible] মীকল (রারীমচা, ১৯৯৬)

·········নখোয় কয়াগী দমক পি শিহু তেংথাত্নুনা লৈগদবা নত্তে। চুখৎলমজ্রিবা মৈয়াশে চুখৎনবা হোৎনবা তারি। হৌজিক ঐখোয়গী থৎ মরোল মরোলসিনা। শিসহু ঐখোয়সু মফমত্তুদা। তাংকমত্তুদা।

মখোয় মথও মথও লাকনি অমুকসু···

নেত্রজিৎকী শৈরেং ঃ ঈগী শৈরেং

য়াম্না নহা ওইরিবা লমশাং মায়কৈগী অইবা অমনি খোদাম নেত্রজিৎ। মাগী লাইরিক অনি ফোংগ্রে—১) ইন্দাল সহর (শৈরেং. ১৯৭৫) অমসুং ২) সাহারাগী মীকপ (বারী মচা, ১৯৮৬)। মাগী বারী মচাগী লাইরিক অসি ফোংবদা বা খরা হাংভবগী তাঞ্জা অমা ফংখি। অতুনা অইবা অসিগী মরমদা খরা মখেদি খওবা ওমজখি। মহাক ঐভোন্দা অনৌবা নত্তে। মমাল্লবা অমবু সাইকল খোইহল্লগা অয়ুক্তা হেক্তা লাকই। হোৎনবা য়াম্না কল্লি, নীংহল্লদে, তন্দে। মঙোন্দা করিনো অমদি লৈবা উই।

হন্দক ফোংগলিবা, শৈরেং ৪০ য়াওবা "ঐ খুংলায় পায়দে" হায়বা লাইরিকসি পাবদা অকিবা অমা পোকই। ঈ, ঈখোং, বম, নোংমৈ, নোংমৈ মক্ক, লান্মী, তেংথাবা কপ-লাওবা অসিনচিংবা অসি য়ামমনগ্রতুনা পাখৎপা অমা য়াওই। মণিপুরগী ফিবম অসি অমুক্কী মতীক শোকচিনখ্রে হায়বসি নহান মখৈ থোইনা খংলুদে। অতুবু মাগী লাইরিকসিনা মিত্তা কন্না থিল্লকই, নাকোংদা কন্না লাউশিল্লকই, শম ফোইরকই, মিং খওপাং পাওহল্লকই। মাগী শৈরেংদগী করম্না নাম্বোক্তুনা চেনবা ওমগনি। উহল্লিবা মৈত্রবাকী দৃশ্য অকিবগী মশক্নিং তারিবা খোঙ্গেল মীকপ মীরাওখোল তেংথা-নাউওইবা ওাক্কনি। অমুক থম্মোয় শোক্রা, শাউন্বিনা, পেন্দনা পাউদম্নিঙাই লৈতরে নীংই। মাওদা ময়েক শেনো চোংথোক্লকই কবি নেত্রজিৎ অশাউবা কবি অম্না ওইনা। চুন্না শাউবদা নত্তে-শীংনরি, পেম্না চৈদ্রি অহুগা কপচরি থম্মোয় শোক্রা মতোমতা ফিরুপ খুমজিল্লতুনা।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং খুজিংমক অশাউবগী অশাউবা, পেন্দবগী পেন্দবা ওাক্কনি। হৌজিক্কী মতমদা ওইরিবা সমাজগী ফিবম, নহারোলগী লানহৌ, সিফাইশিংগী মীওৎ-মীনৈ, মীহাৎ-মীপুন, অহিংলা অচুং শান্তি লৈতবা,

মীওইবগী নীংতম্বা অমসুং অধিকার মাওশিল্লকপা, হুপীগী ইজ্জৎপু খোঙ্গোয়নবা অসিনচিংবা কয়া অসিন্না পীরকপা কন্নবা. থম্মোয় মচেৎ মচেৎ কিস্থহনবা চৈনাশিং অসি শৈরেং ওইনা ফোঙদোকলকপনি। [illegible], মচিন থোরবা [illegible]শিংনা, হকথেংননা পাউদম্বগুম. শৈরেংশিং অসি ফোঙদোক্লকই। মসিদা থাওওমত্রবা চৈনাখোল, কম্বা থম্মোয়গী ইচ্ছলশিং, তপথদ্রবা মতৌ. মিপাই-[illegible] [illegible] কয়া [illegible]। [illegible]. [illegible] শন্নরেং মিং-[illegible] [illegible] শৈরেংশিংনা [illegible] পুন্সিগী [illegible] কোকপা [illegible] [illegible]!

কল্লি অসিন্না মণিপুর (মৈত্রবাক)ব শৈথারিং মচা ক্বায়নরবী মমানি মৈত্রবাক, ঈ তৈরবা মৈত্রবাক, মঙ মঙলিবা ইম্ফাল্ল স্নহুর, পোক্লবীনা য়োক্লকপা ইম্ফাল, মৈরক্তা ঙৌরিবা মৈত্রবাক, চংপা ঙম্নবা মঙম শান্দ্রবা মৈত্রবাক, লৈঙ্গায় মাল্লবা মৈত্রবাক, খুন্তাক্ল লানস্রিরবা মৈত্রবাক, ঙনা মিংশেল ওইরিবা মৈত্রবাক অসিনচিংবা। হাংন-শুনবা, মীওং-মীনৈ. ঈ-নাই তানরিবশিং হৌজিক্কী ফিবম অসিবু অসুম্না য়েকলি—অঙৌবা ফিনা কূপ্নবা ক্শিং, নোংমৈ মরুনা চাইখাইরবা হুকচাংশিং, পুমথরবা হুকচাংশিং, লাইবক্তগী শিন্থরকপা ঈ, ঈহিং শাবা, শাহিং চারবা লানবলশিং ঈ পক্লবা বাখলশিং, খোঙপাক্লা নেংথংপীরবা. ঈ থকপা হাংলংদবা, তন্ন-লাইশিং, অশিবগা মোন্নথাওনবা দোলাই ত্রোস্তুনা চংপা, হিংনা হিংনা মংপিপ্রবা থব্রায়শিং, অশিবনা অথেনপোং ওইনা কাবা অসিনচিংবা কয়া কয়া. অসিগুম্বা দৃশ্য, মূর্ত্তি, ইমেজরীশিং অসি হীরম কয়া থারকপদা অয়াঙ কায়না শীজিন্নরি।

ফিবম অসিনা কবিবু আশা য়াম্না কায়হল্লি। [illegible] থোক্ল্রবা অমবা অহিং, আর্থ য়াওব্রবা ইতিহাস, হিংবগী নীংতম্বা অমসুং অধিকার [illegible] মুনবিপ্রবনি হায়না লৌই। মরাল লৈজব্রবী ইমা-ইমেল, [illegible] কয়াবু ইজ্জৎ মাওহনবদা থম্মোয় শোক্লা তেংথাই। হৌজিক্কী পুন্সি [illegible] [illegible] অসি [illegible] [illegible]. [illegible] [illegible] [illegible] হায়না লৌই। য়াম্না [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible]. [illegible]কপা, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কয়া [illegible]ই।

লৌকিকগী নত্তনা শাউরোইদ্রবা অসিগী কান্নবা ; শাউরবগী মহাক হৌজিক মতমদা হিংত্রবনি । হৌজিক মতমদা কন্না হিংলিবা কবি মহা অসি কন্না শাউরি । লুরিবদি অশাউবা, পেন্দবা, শীংনববু সাহিত্য ওইহনবা অসিনি। লাইরিকন্দিনা কন্না শাউমনখিবনা হেনজিন্না হায়বা কুয়া য়াওরি । হনজিন হনজিন স্নুর অমত্তদা শকপা ঈশৈগুম্না হনজিন হনজিন্না থাকিম অমা তুক্কনা হায়বদৌনা তৌরা থেংনৈ । সাহিত্যনা অপাবগী থম্মোয়বু জয় তৌগদবনি । শাউবা, পেন্দবা, শীংনবা ডাক্কনা থম্মোয় জয় তৌবা ঙমদবা য়াই । থম্মোয় জয় তৌবদা পোৎ থরা চঙই । মতুদি কলাগী পোৎনি । অতুনা সাহিত্য ওইনা শাউবা তাই । কলাগী ওইনা শীংনবা তাই । শীংনবা পেন্দবা, শাউবগী মক্কদগী কলাগী হৌরকফম ওইখি । মসি অচুম্বনি অতুগা কলা, সাহিত্যগী অরোয়বা পাউদম্ন, মহৈ নত্রগা লৈশাংথি শাউবদা থক লোইদে । সাহিত্যদি হেন্না থাংবা, হেন্না ফজবা, হেন্না চুম্বা লম্বী অমদা চংলি । মসিগী লম্বেল অসি অইবা খুদিংমক্না থম্মোয় শেংনা থিগদবনি অমসুং চংনবা হোৎনগদবনি ।

ইম্ফাল, ডাঃ লোংজমইথেম তোম্বী সিংহ

মার্চ ১৬ ১৯৫৭ কৈশামপাৎ লৈমজম লৈকাই, ইম্ফাল

ইমা লৈবাক্কীদমক করিনোমা হায়রিংলকপা

মীগী মমাদা ইমা হায়না করম্না কৌরকপগে ? শিরবা মতমদা মোংফম মনাক্তা লেম্লীতুনা ফিডৌনা মমায় খুমজিন্দুনা হীক্তা তেংথাতুনা অঙাওবিশুম কল্লীগদবনি পলেম ইমা মথন্তনি। মঙারকপগী লম্বীদা তুরোই ডাম্লোই মচাবু কৌতুনা তেংথাগদবসু ইমা মহাক্তনি। নোক্লিমথে নোকমীন্নবা, কপ্লিমথে কপমীন্নবা হিংবগী খোঙথাং কায়রক্লবা, পুন্সিগী নাহেখোল তাররক্লবা, লম্বী লম্মাংনরবা মতমতুদসু মহাক্তননি খুদাং পায়দুনা পম্বংগী লম্বী তারক্লগদবা।

মতমশিদা কনানা কনাবুসু উদে, খুগসিদা অমনা অমগী পিরাং মরিক অমংতা শিন্দনদে। ওইজবতা থিনবগী চাক্রক মপান্দা ফমতুনা, হিংলিবা ময়ামশিনা ম্নাবা খোল্লাউ অমখক্তি লাউরি, পল্লোন পল্লোনদি খাজিন্নরতুনা তমথিবগী নোংলৈ মরক্তা নোংমৈশিং, বোমশিংগী মতোন মতোনদি ওন-শিন্নরতুনা ধর্ম্ম অমদি খুংশিনববু খোঙপাক্লা কাওনরতুনা "হৌজিক লানগী মতম্নি" খোল্লাউ অহুম কনথংনরী, হৌজিক নাইতোম নাইতোমগী মতম্নি"। .... মীকুপ অমদা রাখলগী লম্বী মাঙখি, "আল্লাগী ফুরা তেকখি কঙাওনহনখি, অঙাওবগী শক্লোন লৌহনখি। খলহন্নিংঙ্রবা রাখল আশাদা চুহন্নীংঙ্রবা থৌনানা মরোল মরোল থরায় হকচাংগী পল ওইখি। হৌজিক্তি ইশাশিদা তিন্নং মরোল মরোলনা অথোংপা লৈরাং ওই হকচাংগী ফিজোল শেমখিতুনা তাইবঙ লম্বীশিদা অততাই ওই থৌনা লৈনা চংপা তারি।

হৌজিক ঐ ঐগী রাখলনা, ঐ ঐগী হিংনবনা, পুন্সিশিংগী লম্বী শেম-গ্রবনা থমোয়শিংবু কক কক লাকশিনজতুনা ইশা ইশাগী লাম্বী নত্রগা খোংলোয় হায়বদো ইশা ইশানা অতুমক ওইজবা তারি। তাংকমশিদা পুকচেল চাওবা, তাইবঙপানগী কথোকপা পুন্নমকতুগী মায়োক্তা অততাই ওইনা ইশাদংগী, ইশাগী সমাজংগী, অমদি ইশাগী ইরৈপাক (ইমা) ংগী মীকুপ নাংম শিংনা লৈজবা, থাঙ ফেংজবা, য়েক্লবা ডাইজবা নত্তনা কম্নি তৌগদগে ?

ঐ খুৎলায় পায়দে

"মসিগী মতাংদা ইথক থোংবা কবিশিংনদি ঐগোদা তকুনা হায়রী," নওগী লাইরিকশি খুনা খুনা পুথোকনদি, থর থরা কান্নরগা চেকশিন্না নিযম নিতি, অশোয়-শোয়দ খীজিনহুনা পুথকউ" মতাং মতাংগী ঐনা হেক হেক খুমথি থিজিনবা তারবদি ঐগী পুথোকদোরিবা লাইরিকশিংদ মচেৎ অমৎতা লোখৎ-ক্কম লৈতবা য়াই। মসিদি ২০ শুবা সেনচুরী লোয়বগী অশাওবা পেন্দবগী শকয়েং মিংশেলনি। মৈত্রবাকী অমা অনানা মরক তামতগী ইতিহাসনি। অওনবা অমা পাংগী অনৌবা আশানি"।

তশেংনা হৌজিক ঐ শৈরেং ইবদা নিযম নিতিদা কুপশিন্দুনা ক্ষক্ষম অমা শেমনিংলুত্রি। অশাওবা মুংত্রি, লমা থুমনিবা, থাও পায়তুনা খয়াৎ ক্রক ক্রক চিকশিনবা মসিগী মীহুলশ [illegible] মসি কদ[illegible] [illegible] বলানা ইন[illegible] [illegible] [illegible]। তশেংনা ঐ খুৎলায়না ক্ক পায়দে অহুব্বু থ[illegible] মথা[illegible] ওন[illegible]দুনা খাওলিবা, পেন্দনা অশাউ-বশিংশিদ নোংমদি শোযদনবু নোকথা[illegible]কপা য়াবি। হায়নবা লৈ মুংশি মনবদগী মমানা মচা চাথোকপা জীব লৈ। ফহুমীংবদগী অফ-ফত্ত খঙাক্তবা দুংশমনবদগী মাগী মাগী য়েংলকপা মসি মীওইবগী অরোইবা পন্থংনি। খোংচৎবী লোনোইনি। হৌজিক ঐসু মসিনি [illegible] অমুকসু চমনৈ লাইরিক মচাশিংবু কৈদৌনদোইশা, মনিপুরদা শৈরেং পাবীনবা মীশু লৈতে। শৈরেংগী ঈহৌ, চাওখৎপগী খোঙথাং চপ মান্ননা শোয়মীন্নরী ইরমশিদা শৈরেং লাইরিকনিবু হায়রনদি লাইরিক য়োনবশিংফাওবা খুৎ খত্তোরকই। অচৎ-অওক থরনা নোংমা ফাদোক হায়রকপসু য়াওই "শেল মাঙনবা থবক্নি, মীনা শীওথানবা থবক অমতুম তৌ" তশেঙনা ফজকম অমদি মুংঙাইকম লৈতে। পুন্নমকশিনা নমহৎলবসু তমথিবা শৈরেং ইবা, ঐগী সমাজগী, ইরমদমগী সাহিত্যদা ভাওতুনা লাইরিক পুথোকপা মৈত্রবাকী করি করি থরা তৌবা মসিনা ঐগী অপেনবা ওইরক্নি।

থাগৎপা ফোঙদোকচবা

লাইব্রিক অসি পুথোকত্রিবৈ মমাঙদা নুংশিজরবা তামো লনচেনবা মীতৈনা শৈরেংশিংসিগী বানানশিং, অমদি অশোয় অভাম থজিন্নবা ওইরবস্ু য়েংবীরকথীবা তশেংনা পেনজৈ। তামোনা থোনখিরকথিবা শৈরেং মমিংশিং "থোঙৈল মথং মথং অমসুং ওক্রুবী, লা-১১" "আগৈ, লা-২১" "নীংতম্না তুমজনীংবগী অপান্বা, লা-৮৯" মসিগীদমক্তসু লঞ্চল অমদি তোনশিনজরে লোয়ননা লাইব্রিক অসি পুথোক্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ইনাও ঙাশেল্লম ইবোচৌ সিংহ শেল-থুমগী মতেং পাংবিরকখিবা নুংশিজরবা মরুপশিং লোয়ননা Rajen Printing Pressকী ইয়াওশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি :—

থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ
লমদেং

তাং ১৭ | ৩ | ৯৭ ইং

মমুঙদা য়াওরিবশিং



কৈদোংদগে

মরুভূমি
নংগী নশাদগী শিস্নরক্লবা
অঙ্গংবা থুংশিং
ময়াই কারবা মীওইবশিংগী কোকথক্তা,
হে সাহারা
নঙগী গর্ভস্নুংদগী য়াকাইরক্লবা
থংহৌদ অঙৌবা কুন্দো পারেংশিং
অত্থুগা হুকপিরবা

ওন্ন থোইনা খাওলিবা
অশি পুংফম ঙাইরিবা
লমদম কয়াগী মঙকশমদা,
করিগী ফিঙৌ খুমহুনা হীক্লা তেংথাগনি
অঙ্গংবা উন্না,
ঐগী হিমালয়, ঐগী হিমালয় ॥

ঙসিগু লাউ থোংলি
শক্লম কন্না তেংথারী
ঈথেংগী ঈচেল লীশিং লীশিংনা ফুজিনবদা
থরায় কয়াগী লাম্থেংনবগী, তমাথিনবগী,
হীক্লা কপ্পী
মতমগী অতম্না খোংচেং ॥

অপিকপা লৈকং লম (মহাদেস শিং)
কুগ কয়াগী মীকপখোলনা নমশিন্নবনু
মণ্ডলাক্লঅব্রা৹
মহাসাগর কয়াগী চৈফুনো কংলিবা নঙনা
থাঙবদা বারবা তমথিবা শরোলাংদা ।।
শিরমদাইগী পুংফম
পাখংচবনা অপুম্বা হুমাং শীম্ববদা
অহুম অম্রম থুমজিল্লক্লবা নশা নথক্ত
অত্নুগা খৌরি চরম য়োরবা
ঐগী পৃথিবী
কৈদৌগদগে. কৈদৌগদগে ?

কল্লাগী গর্ভনুংদা

থর ফ্রইনা ফ্রইনা হোন
অশিবগুম থুম্রী।
মীওইবগী তমখিবদা
ঈ পল্লবা সমাজ কয়াগী নাহেখোলদা
মনম মনম মঙলাক্লরী ।।

অশিবা অহিং
লেং ওৎত্রবা অহিংসিদা
হে পৃথিবী নও
মঙলাক্তনা শিন্নবা য়াই
নত্রগা
খোরি চরম মেৎলবী অনাবীগুম
লাউ খোঙলকপা য়াই ।।

কদাইদনো নঙগী শান্তিগী খোঙচৎ ?
কদাইদনো নঙগী থৌংশি নাউগুম ঈশৈ?
হে মরুভূমি
থর হোৎরবী মরুভূমি,
ঙাইরিবা নত্রা
অবাবা অখেনপোৎ মীশিং লৈশিং মরক্তা
নঙনা মাঙ থাদুনা কংপা ?

[illegible]

জ্ঞান য়াওব্রবা মীওইবা।

সমাজ

মরেঙ মরেঙ চংত্তুনা লাওলি

অরোইবা ওায় লাম্বংনরী

অশিবা অহিংসিদা ॥

মৈগী চাং,

হে সাহারা

পোকথায়রক্লো মথঙ মথঙ

হায়চংনরবী পৃথিবীগী তম্পাকথকসিদা।

অতুগা মুংনাইব্রবা সুমিৎকী মৈশাসিদা

তাঙোয় তানা ওব্রবা শক্তম

শায়ওক্লো নোহোনন।

কনাগী গর্ভস্থংদা

পোকত্রীবা নাল্লাওম .

হে পৃথিবী ॥

পৃথিবী, বোম, ঐখোয়

নঙনা ঐখোন্দা য়াহং অমা হংলকখি
চোবথনা
হে পৃথিবী নংনা,
মচেৎ তানা কিন্থরক্লিবা শক্তম
থরায় মন্নংদা চংশিন্দুনা ঐগী
"কয়াম কুইনা ঐখোয় হিংমিন্নথিনী"?

মহাসাগর পুম্নমক্কী
ঈরিক মতুম মতুম পুনশিন্দুনা
ইতুনা শিন্থরক্লবা পি
থোংলদা ঐগী থম্মোয়দা
অহুম চেন্থহল্লকুনা
মখা শমথরকই নঙগী য়াহং
"ওদ্রগদনে নখোয় তমদি ঐ সাহারা"?

মচেৎ মচেৎ কিন্থরকই পিক্লবা হকচাং
থরায় মঙ্গংদা কপ্লিবা
নংগী থেংনারোলদা ॥

ঐগী দুপীনা হৌদোক্লকই
য়েংননবা টি. ভি. পাও
কম্না হৈথরিবা বোম
জাপান্দা, ইংলণ্ডদা, দিল্লীদা
তমথিনা মংলাক্করক্লিবা মরক্কদা
নকশিন্নকই

ঐ খ্‌ংলায় পায়দে

অরগা চেংনা 'কোন শিলকই
পাখংনা হুমাং ঔরিক কানা
কণ্ডনা ।।হায়রকই
"কয়াম 'কুইনা ঐখোয় হিং'মিরখিনী" ।।

মৈতৈ নুপী

(১)

ঐগী মৈত্রবাক,
নঙনা সনাগী কৈরাক থাবীহুনা
পুখৎপীখি ঐগী মৈতৈ নুপী,
লাইওইরবা সনা খোঙনাং পাম্বী মখোঙদা
লোইনাইদ্রবা আখাঙ কনবী মোনখাংনহন
মুংনাইদ্রবা মৈরা পরেং থানবীহুনা
য়াশকহনবীখী
নচা ওইবীশীং
থৌনাগী ফিজঙ মরুমদা ॥

ঐগী মৈতৈ নুপী
চহি চা কয়া সনাগী তাংবলদা
ফমথোন্নহুনা
তাইবঙগী লঙলবা মঙাল্লক্তা
লৈমা লীশিং লীশিংগুম
অথোইবী অমা ওইখিবা ॥

করিব্নু ওক্লিংঙাই লৈবগে
অমুকন্নু
ফনেক খোঙদায় শেংলবন্নু
খুাংচেং মচি লাংলবন্নু
লেংথৈনবদা
শংগৈ মনাগী চীংহি মনম নম্ব
ঐগী মৈতৈ নুপীগী থৌন্নাদা ॥

সনাগী ফিজ্জংনা খঙ্গ্রবসু মীখোই মীহেন্দুনতা
লৈজবি
চুমথাং মখোং থিরুদ্রবসু
মুজাগী লাইবক্তা ঙাম্মোইবী
ফৌওইবিগী চাদা নাউদা, পাম্মোইবিগী ঈরম ফংবী
ফিজেংতা সনা লোন্দ্রবসু
সতি ধর্মনা ফিজোন্নবি
ঐগী শেংলবি মৈতৈ নুপী ॥

(২)

কদাই ঙসিদি
মৈত্রবাক্কী নোংথক্তা তমুবা মৈখু কারক্লি
মৈত্রবাক্কী কাচিন কোয়া খুদিদা
মুজাশিংগী মীকপ তারকই ॥

শিন্থবনা লোইদ্রবা মীৎকি পি
তেংথাবনা মুৎত্রবা পেন্দ খোল্লাউ
মুজাশিংগী চিংহি মনম মরক্তা
য়াওরকইবা নমথীরবা মনম,
ঙসিদি মৈতৈ নুপী
মৈত্রবাক্কী লৈমায়দা পুল্লপ পুল্লপ
ওনশিল্লহনা কপমীন্নরি, তেংথা মিন্নরী ॥

মানী,
লয়ানবা জাতিগী মীওং মীনৈ মরক্তা

উপথুতুনগী; ঐখিবী - মৈতৈ মুপী

কয়ারক কাওগ্রবগে মখোয়গী অকনবা বুটনা
খোৎলবা থবাকশিংদা নুজাক্কিগী ?

কয়ারক চিংথংগ্রবগে অপিকপা শন্নাংশিং
লন্নানবা জাতিগী তমখিরবা খুৎশাশিংনা ॥

ইজৎ

লৈতন্নায় ওল্লবা ইজৎ
ইতিহাসকী সতি ধর্ম্মবু খোৎলোয়বিররা
সনাগী মায়থোংদা অমুবা কালি তৈশিনবীরবা ॥

হায়যু মৈত্রবাক
নগু মশিং খগুলিত্রা গী
কয়ারক ইজৎ মাঙহনবীগ্রবগে
কয়ারক শুমদৎপিগ্রবগে
নুংগী লৈমায়থকসিদা
তমখিবা থব্রায়শিংতুনা
মৈতৈ নুজাশিং

ইজৎ

অহিংদা। নুংথিলদা
ললোনপোৎ ওইতুনা নীংতম্না শান্নবা
কাওথায়বিরবা ইজৎ,
কনাবু তমথিবা মীৎয়েংনা য়েংদবগে

শান্নপোৎকুম
ঐগী মৈতৈ মুপী
পান্নলবা লন্নানবা মখোয়গী শারমচৎকি
থমোয়সিংনা ॥

ওন থোইনা কপমীম্ব্রি
ইজং য়াওদ্রবী মশাশিং কোনসিন্নহ্না
নওগী অশিংবা লৈমায়থকসিদা
কি থোড়দ্রবা মুজাশিং ॥

করিবু ওক্লিংডাই লৈবগে
করিগী কামত্রবা কি থোংখিগদগে ?
মানী
নওনি মৈত্রবাক
ইজং মাংহনবিরবী
শিংলি মাউরি ককথংলবি
লম্নানবা মখোয়গী শাম্নপোংনি
নওবু ইজং মাঙহনবনি ॥

খোঙ্জেল মথং মথং অমসুং ওক্তবী

খোঙকম চেংনা লেপ্লি
লাক্ক কুনগী থরায়মি চেংনা কোন্দুনা
সহরগী ময়োলদা
অকনবা লানবল শাহ্নুনা
মরোল মরোলগী নোংমৈ মথুল খিন্দোকহন্দুনা ॥

নোংমা লাউথি
তুশোন মাশোন্নবা চরী তংল প্রজাশিংগীদমক
কথোকপা অমদি খোঁনানা মাঙ থান্নুনা
ময়াই কানা অঙম্বসিং
ওসিনা
আর্থ চেন্দ্রবা রাজনীতি
তু চুংনবা সমাজনীতি
ময়েক মৎশ্রবা খোল্লাউ
ওসিগী ময়ায় তাংবর্লদা ॥

তমথিনা মৈথু কারি
মৈত্রবাক শীন থুংনা,
শুৎপিবগী, নৈহৎপিবগী, হাৎতোকপিবগী
তাঙমদ্রবা খোল্লাউ লীশিংনা নিল্লি
হুক মাঙথবশিংগী,
চহী চুপ্পা চাবা ফংদ্রবা চাকথাউ লীশিং লীশিংগী
মোংফম ওইরি মচি মচি খুদিং
ভাওরবি মমাশিং মফি খাওনা তারি
অঙাং কয়া পাং পুম্নি

মথি ফোংঙি

পাঞ্জল খোকত্রবা থন্নায় লীশিং লীশিং
পড়াক পড়াক লাওনা
শিবা ঙাইরিবা
নোংমা লাউখি
পুন্নমকী হক পুন্না খোমজিন্নুনা য়োংশিন্দুনা
লৈবাক ঙাহ্নবগী
থন্নায়শিং কন্নবগী
অকনবা পোলিতিক্কী নাউশুম ঈশৈ শক্তুনা
পুন্নমকী কোক্তা য়াইফ মন্ত্র কামবীখি ।।
খোঙপাক্কা কাউথত্নুনা নেংশিনগবা হক
শুপ্পায় পায়শিন্দুনা
অশিবা ওইহনগবা পোলিতিক্স
মতুগী লেং ওংপা ঙমত্রবা তাইন ।।

মথি ফোংলি ওক্তবী কন্নাদ্রি
বক্কর ময়োল ময়োলচুগী মন্নুংচুদা
সনাগী কান্নুংদা
সনাগী অমোনবা কেপশন্দা
কি থোংলবা শান্নমীন্নরি
অহিংদা মুংখিলদা
অঙম্বসিংগা ।।
চিংথোক্তুনা থকখিবা ঈ
ভুশোন মাশোয়নবা ওজাশিংগী থবাক্কী
পাওথত্নুনা এন্নান মাঙহন্দুনা
থোরবা খুজিলত্নুনা
তমথিবা অহিংদা ঙম্নলাই ওন্দুনা

চাথোকপিঙবা মহাউগী শরুকশিং
অতুগা নোয়থোক চাওথোক্লবা পুক
নানবীরি ওক্তবীশিংগী মোল্লবা
খংশাশিংতুনা
ইরাং শাগংলি লানবল মনুংদা ॥

নীংঙাইদনা তুমথোক্লি অপেনবা কন্দলবশিং
নাখোক্তুনা তুমথোক্লি
শান্নবগী চোকথরবা হকচাংসিং,
মঙ মঙলি
তমথিবা মঙ
"চিংশিল্লক্লি থরায় কয়া মনাইশিংনা
মরোল মরোল
অতুগা কাপখায় কাপখায়তুনা হাংলি
মখংমকসিংতুনা,
ই থক্লি, খেল্লা খেল্লা নোক্লি"
মীকপ থোক্লি
খবরশিং পারি অতুগা অমুক
ওক্তবীশিং কোল্লি ॥
ইম্ফাল নওদি
হীল্লা হীল্লা কপলি
ফিজি চিংখংতুনা মৈত্রবাকী মযাম্নুংদা ॥

কয়ারক তাখিনি
নোংমৈ গুলিগী খোজেল ?
কাপথোক্লকপা
মরোল মরোল ওাক শেল্লিবা লানবলতুদগী ॥

অশিবা লীশিং লীশিংনা
চাইথোক্ক্না পং পুম্না হে লমদম
নোংমা লেঙথোক্লী
তুপী উপ্লবা নেতাশিং
অশিবশিংগীদমক
লাগ্রী মরক্তা, বেন্গলে খোক্লেরক্তা
হুংশিবা উংপীরি
খোঙপাক্কা নেং নেংতুনা য়েংলি ।।
ওসি,
অশিবগী অপূম অশানা
পুমথন থল্লরী মৈত্রবাক
লানবল মঙ্গংগী নীংথিরবা সনা হকচাংশীং
থুপ থাত্তুনা লাংলি
হুংশিবা মনমক্তা
ফি থোংপ্রবি ওক্তবী মরোল মরোলনা ।।

'মচু মচুগী মঙলৈবাক'

ফি খোংহ্রবা মৈত্রবাক
কপ্লি নঙদি
নখোঙ নখুৎ শং তিংখোক্তনা
নচা ননায় পুন্নমজাদমক
অতুগা কুনজবা সেনচুরী
মাদি মখুৎ হাইরম হাইরমতুনা
চংশ্রি অসুম
অনৌবা মঙ্গল অশীর্ব্বাদ পীরম
নাম্থবিরম্নগা মৈত্রবাকী কোকথক্তা ।।

অশিবা কংলাশা
লয়াননগী অমাং অশোয় ইতৈ তৈরতুনা
য়াওন্নকই
হঙ্গৎ হন্দা চেন্থিবা অপুম্বা ই মরক্তা
লাউ খোংলতুনা ।।

ঐ, ইমা অমদি ঐখোয়গী ইতিহাস

নঙনা শিত্নবা তারি লৈমায়থকশিদা
ইমা
পাং পুম্নবা হকচাং কয়াংশিংতুগা লোয়ননা ।।
অমদি ঙমদে ঐ
পোকথায়দ্রিবা মৈগী চৌংগী পল্লোম্নংশিদা
অশিনবীরবা
পি তাত্নবা, তেংথাত্নবা ।।

থাঙশাং পায়ত্নবা চংলি অশিবদি
নঙবু শ্রো শ্রো চিংত্নবা
ঐ অমসু ঙক কক্লবগীদমক
চিংথোক্লুনা ।।

কয়াম কুইনা নঙবু উখিগদগে
লৌবা য়াদ্রবা ঐ অমদি নঙগীদমক
অশা লৈখিগদগে ?
পামজনা চঙবা তারিব্রা ইমা
মৈ হৌরবা কুপ্পী
তমথিরবা থয়াংনুংদা
খুংশমত্নবা ঐখোয় অনি
অশিবগী মাঙ থাত্নবা ?
ইতিহাস
কিঙৌ খুমত্নবা তেংথারনী
শেগাক শেগায়বিরবা মথমোয়গীদমক
কৈদৌগদগে ?
ওল্লিবা ঐখোয়গী হুমিংনা পি শিন্থবা নঙনা ।।

লমজা শারা

নোংমা নঙগী ফিজি পায়দুনা
য়াম্নরম্মী ঐ
সুংগোইবা খোঙচৎ তমা ওইননবা,
লম্মাংনরবা অহিং
ঙসিদি
খোরি চরম মেৎশ্রবা
মমা কায়নরবা মচানি ঐ ।।
সাহারাগী লমদমসিদা
ফি থোংলবা ইশাসিনা
ওম্না থোইনা চংলি
নঙগী মাঙথ্রবা লন্বী য়েংদুনা ।
নীংশিংলি
"চেৎনা কোনশিনখি নঙনা ঐবু
য়েন্নীংথাগী অয়ুক্তদা"
বাশকখি নঙনা
"শিরবা মতমদসু সনাগী কৈরাক থাবীনি
সর্গগী লম্বীদা" ।।
খুংশেমগী নোংলৈ অকনবা
তম্নলাইগী চাক্তাকম
অদুবু ওইগ্রে নঙ
ওন থোইরবি বন্দি,
লানপঙগী অহৌবা পুঙখোলদা
কয়াৎ পুম্বা শোইনাইহল্লবী

উপায় লৈত্রবী
কদায় নংগী য়াশক
কদায় নুংশিবা ?
মানী ঐ লমজা শারানি
লশীসিদা মীং তাঙলবা
খোঙচং মাঙলবা
অতুনা ঐ চংলি
অঙাওবগী শক্তমদা
[illegible]ক্রা [illegible]ংথানা
নাওকোন হিদ্রবা মচা ওইনা ॥

য়েক্লবশিং, নোংমৈ মরুশিং

লাঙ্জেনখিবা তারিবগে কয়াম কুইনা
মায়খিরবা থরাম্নাশিং পুম্নক্লনা
পরেং পরেং খুৎশম্নত্তুনা
অনম্বা লৈবীশিদা ঐখোয় ?
যানশিনবীরত্তুনা পোকখায়ব্রীবা নোংমৈ মরুশিং'
ইৎকশমশিংশীদা
অত্তুগা থেংচিনবীরত্তুনা ইনমগনশিংদা
ঐখোয় শিবগী অয়াবা ।।

চংলি
শীঙ্খহন্নীংব্রবা মিংকী পি খুজোক খুজোক
শীঙ্খরত্তুনা
কণ্ঠখবা পাঙ্গলশিং ফংদোক্তুনা
অসুম অসুম অমন্দা ।।
মণ্ড মণ্ডহ অশিবগী
নোংমৈ মরুশিং পোকখায়রকপগী
মচেৎ মচেৎ তানা শিখিবগী
খোঙচৎ মুৎখীবগী
ইতিহাস লোইখিবগী ।।
ঐখোয়গী পৃথিবী
মশা নারক্লি
হুমিংনা অসুম মৈ চুবীরক্লী
অত্তুগা ঙাংশং ঙাংলক্লি ।।
নিশা পাসবা মীওইবা জাতিশীং

অমম্বা অঙ্কা খংনরকই
হাংতোক্লরকই
শেংতুনা চান্নরকই
মিতম্বা ওমত্রবা ঈ মতুমগী থরায়শিং
অমুক কায়
অতুক শেমগংলকই
অমুক কায়
ইমাশিংগী গর্ভমুংদা ॥

তমথিবা য়েক্লবশিং মথি কোংলরী
মৈগী চাংগী মতোন্দা ফমজুনা
অপেনবা মীনোক নোক্তনা
ঐখোয়গী লোইরগদবা পুন্সিশিংগীদমক ॥

তুমন্নিবা ঈ মরক্তা ঐখোয়

তুমত্নুনা লৈ ঐখোয়, অশিবগুম তুমত্নুনা
খাংপোক্লংদা লৈরিবা ঐখোয় ॥

মৈ চুরকই
মখোয়না
মৈ চাক্লকই
খেঙ্গা খেঙ্গা নোক্লকই
অচাকপা মৈ উরগা মখোয় ।

খাংপোক্লংদা লৈরিবা
শারবা ইমা হন্নুবীশিং, ইচলশিং
মৈশালক্তা চেঙ্খোফখি কপ লাউত্নুনা ॥

তুমত্নুনা লৈহৌই মচা ওইবশিং ঐখোয়
অশিবগুম খাংপোক্লংদা,
উপায় লৈত্রবীশিং, ইমাশিং, ইচলশিং
ফাখি অমদি মঙকশিং ককথৎখি
অচাইবা ঈরিকশিংনা
মৈ মুখ্বৎলকই মখোয়না অমুক
চাক্লিবা খাংপোকশঙ ॥

তুম্নিবশিং ঐখোয়
মঙ কন্না মঙলি
"মখোয়না ইমাশিংবু ওৎ নৈগ্নি
ইচলশিংবু চংথোকপীরি, ইজৎ মাঙহনবীরি
উপায় লৈত্রবীশিং লাউ খোংত্নুনা কপ্পি

মখোয় পেন্দুনা নোক্নি"
ঐখোয় কন্না তুম্নি মণ্ড মণ্ডনুনা
মৈশা ফাওরকই
ইথকশিংদা তারকই অচাকপা মৈ
মঙগ্রেম হাগ্রেম্নরকই
মীকপ থোক্লকই
মনম ফাওরকই
অচাকপা ঈ মতুম মতুমগী ॥

ঐখোয়
অমগা অমগা য়েংনজুনা
মোংফম ওনবা লৈমায়থকসিদা
জ্ঞান য়াওদ্রবা অশিবগুম
লেপ্নি ॥

মৈত্রবাক

(১)

অঙৌবা ফিনা
অশিবা থবায় লীশিং লীশিং কুপ্পি
কৎ মমুংগী হকচাংশিংনা
সংস্কার মৈরিগা লোয়ননা
অতিয়াদা রাংনা পাইরি
নীং তম্লবা লংজা কাকশিং
মথি ফোংলি লাউ খোংলি
লৈমায়দা চাইথোক্লবা
লোয়শিন খোমজিনবীরবা
পথ পুমথরবা মখোয়গীদমক ॥
খুপাক লানশিরবা
ইজং য়াওদ্রবা ঈরৈপাক
শিম্নবা লৈত্রবা তেংথাবগী পিরাং
কদায় ?
অঙৌবা ফি
নওদি মরাও কায়
নাওয়োক নাওকোন নিংবা থুংখিত্রবা মখোয়গী
শিরবা হকচাংশিং
নওনা নাওয়োক নাওকোনগদৌরি শিররা মতমসিদা
মৈত্রবাক
নওগীদমক হীরা তেংথারি ঐ ॥

কয়াম শাংনদি লাক্লি নঙনা
হিংনবা ল ীগিদমক,
ধর্ম্মগী ফিজোল শেং
অশেংবা কখোকপা অমা ঙই
পাঙ্গলবা কয়াগী মকমদা ঙক নোন্দুনা
অত্তুবু ঙসি
নোঙ নোঙনা নঙবু তেমশিংনরি
খোঙনা কাওশিল্লি
নোংমৈনা কাপ্লি
বন্দি অমগুম তমথিনা ঙংলি ॥

(২)

মৈত্রবাক !
মঙ নত্তে তাইবঙনি
অহিং নত্তে নুংথিলনি
নথানুংদনি
মচা কায়নরবা মমাশিংনা
অশিবা মচাশিংগীদমক
পাঙ্গলবশিংগী মখোঙদা
থবায়গী দাবী তৌরিবা।
দাবী ফংত্রবদা
ঙাওচংনরবী মমা লীশিং লীশিং
খোঙনা কাওহুনা মখোয়বু
'কয়ারক তাহোকপীরকপা'
নঙ মশিং থঙলিব্রা ইমা ?

করিবু ইগনি ইতিহাস-
ওসিগী ঐ পক্লবা চেনাসিদা
গুপ্নভংগী তেংথাবদা
পাঙল থোনা লোইরবী
শিগদৌরবি মমাশিংগী
কংলবা মিংকৌ পি তৈশিনবা নত্তনা ॥

/

ঙসিগী খোল্লাঙ

য়ু থকচিগশি, পেল্লা থকচিল্লশি
পুন্সিশে য়ুনে
সমাজশে ময়াই কারবা নিসানে
পেল্লা ঙাওরশি ।।
অঙাং ওইরিঙৈদগী তারকই
কালে য়ু ফজনা ঙাওই
ইবেনপোক্লা ফুল্লাদা ফমথুনা লিরকই
কবুই কৈওইবদি মকোক্লা কৈনিং
কালে য়ু থক্লশি কবুই কৈওইবা ওল্লশি ।।

য়ুরাক্লো ইতাও লঙলবা গ্লাসতো
নংগী ফজবি মুপী পুথোক্লক্লো
জগোই শাহনশে
মফি থোংহন্দনা ।।
লৌরোই পামহৈবগুম মবুক কংলবি থগ্নালদি
ওইরোই সিপোইদি কা মমুংদা লোইশিনবা ।

করিনো সমাজ ? করিনো মীওইপোক ?
মখা অমুক শাংথনা থল্লরগুমশি!
ভুকাংচৈ,
রেডিও পাও মুখংলু, থবরদো শেগাইখো,
লয়ীদা চৎলিবা সিফায়শিংসিতুম য়েংউ
মীৎ শিংউ
থংগোয় অফ অত্না পাল্লরিবা ।।

মথা ফজনা শাই
য়ু হৈজিল্লক্লো
নাকোং মেনশিল্লসী, মীৎ পুনশিল্লসী
মন্ত্রীশিংগী গাড়ি পরেং পরেং উরক্লনী
য়েংনিংঙ্গে ॥

মঙ মঙনবা ফজনত্তুম তঙমখোক্লশি
মঙলান্দুদা
উপায় লৈত্রবা কয়াগী মীশিখোল
ইজৎ মাঙলবী কয়াগী তেংথাখোল
ওহ্ ! পেল্লে মঙলাক্লবা ॥

পারা ফাখিবনি নারা ওইরীডে
"মন্ত্রীনা" লৈবাক ব্রায়েন্নী
পোক্লফম লমদম সুংশিবী ইমানি"
কান্নদে মক্লপ ওক্লবগী বারী হাপচিন্নশি
পুন্সি
নিসাগী মথক্তা ওক্লবসু ওইহনশি
ওক্লবী মুপী কয়া তিন্নশি
য়ু থকমীন্নশি, লেকমীন্নশি ॥

য়ুঙংফমদা লৈহৌবী মৌ হুন্নকপী ঈতৈমা
মশক ফজে খিক থা কৈ ॥
কৈদৌক্লনি ঐথোয়না মীওইবা জাতিগীদমক
ইরমদমশীগিদমক,
কৈদৌক্লন্নি ঐথোয়না ঈ থকপা মরকসিদা
পুন্নমক শোয়নাইহল্লবস্নিদা ॥

মাংহনবীথ্রবা ঈ মতুম

নৈথংতুনা মাঙহনবিরে
চহি কয়া নাউপুররুবা ইমাগী গর্ভন্নুংদা
মিতমক্তি্রবা ঈ মত্রম ।।

মচা কায়নরবা মমানি মৈত্রবাক
কনাগী ফিজি পায়তুনা য়াল্লগদগে হৌজিক
শিন্নংনা চাইরিবা কায়রবা ঈ মতুমসি নত্তনা
হিক্কা তেংথানা ।।

কনাগী মখোঙদা তুন্নুনা লাউরুগদগে
অশিবা অমদি শোয়নাইরবা মচাশিংগী মরুকসিদা
মরেঙ মরেঙ চংতুনা হিংবতা ঙাইরিবা মরকসিদ ।।

কায়রবা ঈ মতুম মিতমক্ত্রবা
মাঙরবনি ঐখোয়গী নীংতম্বা
চহী কয়া চঙনা শাগৎলকপা ইমাগী মনি ।

কৈদৌগদগে
থোক্লিবা নুমিৎ অসি অমুম মমথরকপা নত্তনা
কপ্লিবা মীকপখোল ময়াম
অমুম কনথংলকপা নত্তনা ।।
নীংতম্বা
নৈথংতুনা মাংহনবিরবা মখোয়শিংগী তমখিবনা
হৌজিক
মসিখক্তং থনজবা নত্তনা কৈদৌগদগেরু

[illegible] তৈরবা মৈত্রবাক
চাবোকপিনী শাইদাংবম চিনং শর্কপিনা
ইশি শিনা তুমখিবা তাগ্নি
মঙগ্রেম হাগ্রেমনা
নথানুং ইহাং হাংনা
চহী চা কয়া অমুক
য়েরুবসিংনা ইকোয় কোয়শিলহনা ॥

মঙৈবাকী বাখলদণা

ঙসি
শিবগী য়া ফুমত্তুনা থন্নরী ঐখোয়
অমগা অমগা ইন্নত্তুনা চৎনরি
য়েংনদনা,

খোঙচৎসিগীদমক
কয়াদা নীংবা কায়নীংঙাইনো ঐখোয়
মসিদগী হেন্না শাথিরকখীনি
মোংফমসিংনা ঐখোয়গী ইমাঙদা,লেপ্লবা মতমদা।।

হয়েং
ইথক ইথক্তা পোকখায়রক্লনি অহো অহৌবা
,বোমশিং, নোংমৈ মক্লশিং
অত্তুগা চাইরবা হকচাংশিংত্তুগা, মখোয়গা লোইননা
ত্তোংমিন্নরনী অশিবগী দোলাই ।।

সহর
অত্তুগা ঈনা পুমথরবা ঐখোয়গী খুঙ্গঙশিং
অসুম অসুম পুমথরকপা নত্তনা,
তন্নলাইসিং
অত্তুগা মখোয়গী তমথিরবা থংলাইশিং
ময়ায় কারকপা নত্তনা
কৈদোগদগে ?

নয়দা মচা পোরিবি, ওংপিন্নিবী
অহগা ইজৎ হামগনবি

মৈতৈ মুপীশিং
মকি মরোল মকম খওন
কপ্পি অমদি তেথারী, য়ুম য়ুমদা
মপুরোইবসিং অমদি মচাসিংশিদমক ।।

কৈদৌগদগে
হৌজিক্কি ঐখোয় ?
খুঙ্গংশিংগী নম্রগা সহরগী মফমশিংদা
বোমশিংগী
নোংমৈ মরুশিংগী লৈফম থিবা তাব্রি
উপায় লৈত্রবা খোঙচৎসিগীদমক
মোংফমশিং
ফিগাও শানা লৌজবা তাব্রি ।।

ঐ, শৈরেং অমদি মৈত্রবাক

অমুক্তমক শিগনবা পুন্সিদিদা
কয়ারক শিরবনো ঐ মশাং খওদে
হিংবদি মাল্লি
শান্তিদা অমদি থৌনা কনা ঐ
অহুবু থবাক মসুংগী মিঙ্কলশিবু
করম্বা ফিকিডা তপথবা ঙাওখিবগে ?

ঐ নোকই ঐ ক্লাউই
অহুবু ক্রক ক্রক কাজিন্দুনা থমগ্রবা ইকটা
থবি শণ্ডদা
কয়াম শাথিবা চৈক্সুনো ঐনা কণ্ডলিবা ?

শৈরেং য়াম্না ই ঐ
পামজবা অমদি থৌনাগীদমক
অহুবু করম্বা শৈরেং ইবদা
মীংকি পি শিন্নদবা য়াওখিবগে
উপায় মাণ্ডনা অমদি শীণ্ডননা ?

ঙসি
মৈথক্তা ঙৌরিবা ঐ
কলম পায়দুনা ক্রিং ক্রিং চোংলি
শামান লেঙমান্নবা কয়াগা,
পোকখায়রক্লগনি মৈগী চীং নত্তবা
খাংদা চোংলিবা ঐখোয়গী মুল্লবা চাকথাউশিং
শিন্নবা থুংনা ঐখোয়গী মৈত্রবাক।

শৈরেংদি কুষ্টনা ইন্নিংঙি
ইজং য়াওত্রবী চাবোকপী ইমাগী মথান্নুংসিদা
শরু শয়াং কেয়বা ঐ
শুইনজহ্নন ।
অহ্নবু ঐখোয়গী ইতিহাস
ঙসিদি তাঙ্গোয় শুনম্ব্রে
অতেক অকায় মরক্তা
ঐখোয়গী মুমিং
কোক্তোন থুম্না পুখম্ব্রে ॥

ঈ থক্লিবা ঐ

নঙগী লাইবক্তগী শিন্থরকপা ঈ
কয়ারক থকখিবা তারিবগে
প্যামজনা ঐনা,

শিবগী মঙ মঙলিবা ঐগী পুন্সিদা
নঙনা তন্তনা ইনশীনবি
থৌনাগী মঙ মঙউ,
তুরোই ঙাম্নোইনরবা পুন্সি খোঙচৎ
মঙম শান্দ্রবা খোংথাংদা
নঙনদি থেংনু হায়রি
নঙগীদমক লানঙম ফিরাল ।।

কয়ারক কাইহৌখিবা তারিবগে নঙবু ?
মায় পাকপগী অহিং নত্তে উন্নিবা
য়েংউ !
মায়কৈ থঙদনা হৌরক্লিবা
লাঙঙ কয়াগী খোল্লাউ,
খংলায় য়াওদ্রবী বন্দি
নঙগী থবায়নি তেমশিংলিবা ।।

মানী
তেমশিংহিন্নবী হকচাংজুংদগী
শীন্থরক্লিবা উপায় লৈত্রবা ঈথেং,
ঈথেং
মঙখিবা মঙ কয়াগী ফলনো

শাগৎখিবা আশা কয়াগী ফুরানো ?
ওসিং পন্থ পুমথরবা নওগী
মীংলু নাপোমদগী
শিন্থরক্লিবা আর্থ চেন্দ্রবা ইতিহাস
থমোয় শোক্লা কোনশিনজৈ ঐনা
মোংকম মথক্লা
শিগ্রবা কয়াগী ॥

কয়ারক থকখিবা তারি পামজনা নওগী ঈ,
খোউ খুং য়াওহল্লবা হকচাংসিদা
কয়ারক ইনশিনবিখিগদগে নওগীদমক মাঙ থাঙ
লাক্লিবা অমম্বা
নওগা শক্তমংদগী থোক্লক্লিবা
অমাবস্যাগী অহিং
কয়ারক শান্নখিবা তারিবগে
ঐগী থমোয়দা কোন্দুনা ॥

নুংশিবী ইম্ফাল

নোংমগী মঙলান্দু নত্তে
ঙসিগী ইতিহাসনি, তাইবঙনি,
তমথিনা শোক্লে
শিংলি নাউরিদা চৈলিবা ঈরিকশিং
পং পুম্লে ।।
হিংবদি হিংলি পাঙলক্তে, মীৎতি
কপ্পদি কপ্পি থোক্লক্তে, খোন্দি
হাংদোক্লনা য়েংলসু য়াওরক্তে,
মুংগী কয়াৎ অমৎতা হিংননবা ।।

অত্থবু ইম্ফাল
মঙদি মঙলি নঙ, য়ুগ কয়া কয়াগী
"চৈঙাক য়াওদ্রবসু চৎলি নীংতম্না
কন্নামৎতা ইন্নদ্রবসু নতুংদা
শাংলবা থোঙচৎকীদমক মোমোন্ননা"
অত্থবু মঙনি
মীকপ থোক্লবদি
কয়াদা তমথিরিবা নঙ
কৈথমশংগী বন্দিনি
য়োম্লিং চল্লিবী
তমথিবা মীওং মীনৈ মরক্তা
ইহিং নায়হিং শারিবি
লাউ খোংলিবীনি ।।

হায়রোইদবা কনা য়াওরিবগে নঙবু
মীরেমখাক্কি, শুক্লবিনি, শিমজোরবীনি
অহিংদা, মুংথিলদা
ফিজং থল্লবা তমথিবা মঙালদা
ফোয়দংলিবা নশম মতং মতং
চীনচুপ্লিবা, নৈহৎপীরিবা
ইরাং থাংলবা তমথিরবা থরায় লীশিং লীশিংনা ॥

মানী ইম্ফাল
নঙ পোক্তবিনা য়োক্লকপনি
পীদং পাদংনা হৌরকপীনি
মচু শেংলবা অতিয়াদা
হামচংনরবী মমিখক্তং তারকপীনি,
লোইবা নাইত্রবা তাইবঙ খোঙচংতা
ফি থোংদনা
তুরোই ঙাম্রোই খোঙশারকপীনি ॥

কয়াম কুইনা অহিংবগী ঈশৈ শকখিগদগে ?
লানবলগী বন্দিশংদা
ফি থোংদনা কয়ারক ষাম্বখিগদগে ?
'লৈতেংবীরনি
তমখিনা নোক্লিবশিং মখোয়না'
হৌখিবা ইতিহাসকী মায়থোঙদা
পকখিবা মচু শেংলবা নঙগী মমিগুম
কেশিনবীরনি ॥

মুংশিবী ইম্ফাল
নঙগীদমক খুদোল তমগ্রবা

নীংথিরবা কচ্

লুংশিবা লাইশোম তীনশোল মরক্তা

তাত্থগা

মোংকমগী নম্বীদা

রাংনা রাংনা চাকথংননবা

নঙগী নশাগী মৈরীনা ।।

কংপসি

ঐখোয় তেংথাত্থনা কংপসি

অঙোবা ফিশিংনা ইকোক্তা খুমজিন্দুনা

মোংকমগী অকোয়বদা

লুংশিবী ইফালগীদমক ।।

মোংফমগী হঙ্গাম শাক্লীশিং

ওক্তু বা সমাজসিগী নমথিরবা লৈমায়সিদা
অশিবা থরায় ওইনা তারবদা ঐনা
কনানা চংশিন্দুনা য়েংবিবগে
ইমা নও নক্তনা ।।

নোংমা লাকই
ঐ শিবগী রা হংবা
থওন চান্নবা কয়া,
সুট-তায় হৌত্রনা, পাওমী কয়া
শাশিন্নবা অরাবা উৎলরী
লৈ কৎলরি
শেল থাদরৈ ফোটোদা ।।

নোং ঙাল্লগা
থবর খুদিং য়াওরকই
অরাবা ফোংদোকপগী
মিনিট অনী তুমীন্না লৈথীবগী ।।

হৌজিকপু কনানা কনাবু ইকায় খুমনরীবগে ?
কনাগী মীৎকী পি
কনাগীদমক তানরিবগে ?
কনাগীদমক
কনানা কথোক্করীবগে ?

তমথিরবা লানফম্রী

শাহিং চাৱবা লানবলশিংগী
ই পৱলা থাবলশিংদা
অওন্বা তান্নবনী ॥
য়েংউ !
এরগী মোংফমদা হুনখিবা
অঙৌবা হুন্নাম মরু পান্বীগী মকানা
লেক লেক লাওৱবদা ঙসি
কয়াদা চাওখোক্লিংঙায়নো
নখোয়গী ॥
মোংফম কয়াগী অশঙবা পান্বী
লৈশিং লৈশিংনা
ঙসি ওইরক্লী নখোয়
অশংবা তম্পাকী
চাওখোকচরবা থরায়শিং ॥

অঙম্বশিং খাঙশাংশিং অমদি শান্তি

নরুরুবা কবিশিংনা ঐঙোন্দা তক্লা হায়
"মৈরীলকসিদা
তপথবা তমসি ঐখোয়,
শান্তি
ইথক্তা নেংথরক্লবস্থ অচৌবা খোংপাকশিংনা
মীওইবগীদমক
তুমিন্না খাঙসি" ॥

নোংমা হীরা হীরা কপখি
মখোয়গী বাথলোন মীয়ুংশিতুদা
লীশিং লীশিংগী থবায় য়েক্লরবা
ঈ কারবা হুক্কচাংশিনা ॥

শান্তি অমসুং
ইকায় খুম্নজে কবিশিংবু মতমপুম্বদা
অতুবু উরুই
পোলিটিস্মিয়ানশিংগী ভৌরবা ফিজোল
খোল্লাউ
তাশেংনা নিংথিবা মানবা

নোংমা মায়খুম ফি হাংদোক্লুই মখোয়গী
অরোনবা থোঙ নমথায়তুনা
ইরম্মী
" ঐগীদমক মী মঙক কক্কদবনী,
নেতা ফি

ঙংখিলদা উপ্লবা মায়খুম ফিন্নি"॥

শান্তি
খোঙপাল্লা নোইথংপীরবা শান্তি
কনানা ধুপ থাত্তুনা ইকায় খুররীবগে?
ঙসি
ইমাগী কোকলেন্দা ফমত্তুনা লাউরি
কথোকপগী থমোয় লৈশিং লৈশিং
পানশিন্দুনা
নাকন্দা থমত্তুনা থাঙশাং মরোল মরোল॥

মিহাৎপা ওইরম্নবা ঐ

মখল কয়া থোক্না শান্নরী
অশিবা কোকশিংসিনা
ওক্তবদা
অমোৎপদা
নমথিবগা লোয়ননা ।।

দেমোক্রেসি দেমোক্রেসি
মথোয়না লাওরি ওক্তবদা দেমোক্রেসি
মীহাৎপ
সমাজ মাঙবা অমসুং তংবদা দেমোক্রেসি
ফিনুংদা চেৎনা কোনশিন্দুনা শান্নরি
দেমোক্রেসি ।

লুংশিবা শাবা, কথোকপা মানবা
ঈ থকপা হালেংদবা
তন্নলাইগী শক্তমদা অমদি লানওয়গী থোপাউদা
পথ পুমথরবা মশাশিংবু পুতুনা
মঙম শান্দ্রবা খোঙচৎতা কোয়না চেন্নীবা ।।
চৎলি অতুগা লাওরী পেম্না
পাপ নম্রগা তমথিবা চাম্না চাম্না কোল্লগা
অহিংসী সমাজদা, লুংখিলগী সমাজদা
জয় ওইনবা, খুতুম চন্নবা ।।

মীহাৎপা ওইরম্নবা ঐ
মতুপ মতুপ ককথৎলমগনী ।।
থরাক থরাক য়াম্নবা অহিংবা মানবশিং
অতুগা য়ানশিনগনি সমাজগী ওক্তপমম্না
অহিংবা কয়াদা ।।

নোংঙাম্বা অহিং

অহিংবা লাক্ক কুনসী এবায়
করম্বা মুমিং থাদা লোইশিনগদগে ?
শিঙ্গ্রিবা লাক্ক কুনসী মোংফম
করম্বা মীকুপ পুংজাদা তৌবা লোইগদগে ?

নীংলি
লাই কন্না নীংলি

মৈত্রবাকপু মৈথক্তা ভৌত্তুনা
তম্নলাইসী শাইওল ওন্নবা
লন্নানবা জাতিসী
তমথিবা থক্লায় লীশিং লীশিংনা ।।

হে মৈত্রবাক !
মরোল থঙত্রবা অকাম্বা
মীজাতিসী লাইনিং লাইশোন্না
কয়াদ থংদিং পাওথহুন্নবা মৈত্রবাক,
কয়াদা মনতিকঙ্খবগে অমুকস্থ
নঙ
কয়াদা লৈঙ্খবগে ?
শিগদোরবী বন্দিগুম
তমথিনা ওৎপদা
করিসী তুমিন্না লৈরিবা নঙ ।।

অহিকার
নঙগী পুমাঙ অমঙবা অহিকার

নখয়াংত্রা নোংমৈ মজোল, লৈশিং লৈশিং
থিন্নখিল্লুনা
তমথিবা মীজাতিগী খোঙপাক্লা
কাওবদা
করিস্থ হায়বা ঙমদ্রবা
নওগী হিংদ্রবা অধিকার ॥

চংলি তরোইবা খোংচং
মৈত্রবাক,
মতুংদা হামচংনরবা মচা লাক্ক কুন
ইন্নতুনা
তেংথা নাওইনা
মমাগী শেগাইরবা ফিজি পায পাযতুন' ॥

কয়াম রাংলি
মশেক মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ তাংদবা
মৈত্রবাকী,
মাংকৈ থুংনা লানঙম ফিরাল পাইরক্লবা
লাক্ক কুনগী কোত্তোন থি থিহুনা
লানঙম ফিরাল হংলক্লবা
মীজাতিগী সুপ্নম সাশন মরক্তা ॥

মৈত্রবাক !
চংপা ঙমদ্রে নও রাম্বরে
নচাশিং লাউ থোংলে, ঙম্না মাংখরে
খোঙচং
মঙম শাল্লবা, হিংদ্রবা খোংচং ॥
লাক্লি মীজাতি কয়া কয়া

ঐ খংলায় পায়রে

লেমহৌবশিংগীদমক খংলোয় পায়হনা
পোলোয়নবগী মৈবুং লীশিং লীশিংগা লোয়ননা
অহিং
নোংঙাম্রবা অহিং
চুমিং থোক্লবা লমদম
কম্বিবু লৈমদগে নওগী নীংশিংঙিভাই
মায়কৈ থুংনা কারিবা মৈথুসি নকনা ।।

ঐখোয়গী আশা

লৈনাং থক্রগা ছিংসি ঐখোয়,
অহিং মুংথিল তমলাই শিংগী চাওরবা
খোঙপাক্রা
নেংথবদা
খোংকম লীশিং লীশিং, অতুগা
পত্রাক পত্রাক তাহল্লবা,
লরাই লেকদা থৌরবা মথুঙ্জিল্লা
হম্বোক হঞ্জিল শাম্লবদা
খেত্রাক খেত্রাক হোমহল্লবা
লমদমসিগী
লৈনাং থকসি ঐখোয় ।।

ছিংলি ঐখোয়
অকনবা মঙ মঙতুনা,
লুশমদা পায়তুনা
থাঙগী অরঙবা ময়া নক্রগা নোংমৈসিংগী মমাঙদা
অশিবগী লাই শংশংনা
উহল্লবসু
শিল্লি ঐখোয় ।।

শরু চাশে ঐখোয়
শিঙ্গনা তারিবা
লওজা কাকশিংনা হম্বোকসয়রবা
শরু পোলাংশিং,
উপায় মাঙলবা

নৈহংশীরবা থব্রায়শিংনা
কিগাও শাবা লৌখিরা
অল্লালাইশিংগী অশেংবা খুদোলপোং ।।

লাউসি ঐখোয় পেন্না লাউসি
ইশাগী
ইজ্জাতিগী
অরৈবা পি শীন্থকুনা
লৈজবা কপ্রোক্কনা
থকথি চাথিবা লৈনাং অমস্থং শক্ক
ওথোক ওশিন তৌজনা ।।

শিরবা আইন

কৈদোবা ওল্লিবগে নঙ?
কমুংদগী চিংথতুনা মীরোল্লবী মহাকপু
নমন্থনা ইজৎ মাগুহনবদা,
পুন্নমক্কী থরায়মি পায়শিন্দগুনা
অবাংবা সিংহাসন্দা নোক খেত্নুনা কন্নীবা
মখোয়শিংদুদা ॥

থৌরী কোঙ্গোয়না
নঙকশমদা থুজিন্দুনা
কোন্নংগী লৈমায়দা
শোরো শোরো চিংশিন্দুনা
উপথুহনা তাহনবদা
কৈদোবা ওল্লিবগে নঙ মখোয়শিংদুদা?

ঐখোয়গী
মীৎ তাঙলবা, না পংলবা, তমথিনা শুৎপীরবা
লোংখোকত্রবা আইন
শীদনবথক্কী চাকথাক হুল্লি
চাক চগ্রিং খরা খরা
বন্দিশঙগী অমম্বা কান্নুংদা
মনাক্তা
শিত্থনা তারিবা হকচাংশিংগী
পি মরিক অমকাও শিন্থহন্দনা ॥

মনাক্তা

নিসা কারবা হিংচা রাইতম্বশিং
শাদোং য়েন্নদুনা
থবায় কয়াগী ঈখেং থজন্দুনা
পেন্না য়েংহন্দুনা ।।

ওসি

খুত্তাক লানশিন্নবা সঙ্গরী লম্বীদা
শিক্কম নক্কন্নবা ঐখোয়গী আইল
মফি খোংদনা
কোয়চিং চিংলি ।।

আগষ্ট

গুসি

মতমগী খোঙচংকী কিজঙ হায়দোক্লক্লে
য়াকায়রক্লে আগষ্ট তন্নাহুমদোই
মৈত্রবাকী মথান্নুংদা খোঙদারক্লে নৌহৌনা
হুংশিবা নারাগুম
মপাল নাইদ্রবা অন্নাবশিংগী মরক্তা
লম্বী লৈত্রবা চাক্লিবগুম
তুরোই ঙারোই খোঙচং কায়
থিরক্লে পম্বুং ॥

লেঙ গুংত্রবা অহিং
ঈ পক্লবা অহিং
তম্নলাইগী মৈরি থোক্লবা ন্নারীদা
চাকথেক্লবা মৈত্রবাকী শক্তম,
মচু শেংদ্রবা ন্নারী থৌদোকশিংনা
পম্ব পুমথরবা মথান্নুং
হে আগষ্ট
থিরি নঙনা মীকুপ অমগী পোখাকম ॥

উদ্রবদা কখোকপা লীশিং লীশিংগী থন্নায়
অতুভৈগী,
অন্নংবা থৌনাগী মশেক মঙাল মরক্তা
অশংবা ভম্পাক্লা মথুম মন্নাঙ হৌজবা,
মাঙখ্রবদা

অশেংবা থৌনাগী অশেংবা ঈথেং
অকনবা খোল্লাউগী অকনবা লালহৌ
শিঙবা থবায়শিংগী থবায়মিং
কপ্নি নঙনা
তেংথারী থমোয় শোক্না
হে আগঙ্ক নংনা ॥

ঙসিদি মৈত্রবাক
তুম্মৌ হোৌরবা মোংফমগী লৈমায়নী
তংনা তম্নরবা অশিবগী কমুংদা
পুমথরকপা ঙাইরবা
ছিংত্রবা থবায়নী ॥

খোংউ চীংমায় থল্লা লংজা কাক
পীয়ু খুদম
শিরগদবা থবায় কয়াগী,
নত্তেকো লাঞ্জংলমদাইগী অশির্ব্বাদ
হুংশিবা মমানা মচাবু নাম্ববীবগী
নাউগুম শৈহেক,
নত্তেকো হে মৈত্রবাক নঙবু কনবীবা
পিরাং শিন্থনা
নচা লীশিং লীশিংনা
নঙগীদমক চঙবা থৌনাগী লাঞ্জং ॥

করিগী লাক্নি আগঙ্ক
মতমগী ফিজও হাইদোক্তুনা
ইকায়দব্রা নঙবু
তেংথানিংদব্রা নঙবু
উপাই লৈত্রবা আশাগীদমক ॥

শান্নরী চেক্লাচাশিং

নীংতম্না পাইরিবা অতিয়াদা
চেক্লাচাশিং
নীংতম্না শান্নরিবা
অমগা অমগা মীৎচাননা • লোনশিন্নরা
অমগা অমগা পাইমিন্নরিবা
কদায়দনো ঙসি
নখোয়গী নীংথিরবা লাইবক
মশিং অসুম য়াৎলক্লি নখোয় ।।

অতিয়াগী মায়থোংদা তারিবা নীংতম্বা মমি
হা চেক্লাচাশিং
নখোয়গী মমি মুৎশিল্লক্লি ॥
নোংলৈ লাক্কে , নোংহো লাক্কে
নীংতম্না শান্নরি কোয়পাই পাই
মিতংবপদা ওয়রবা নাম্বাগী চৌশিংদা
শাইওন্কপতা ওইরীবা য়ুংকী অয়ুক্তা ।।

কদায়দনো ঙসি , নখোয়গী য়াইফরবা থেনফম ?
মশিং অসুম য়াৎলক্লি নখোয়
মমদনা লম্থাংনরবা
অঙানবদা তেমশিংনরবা
লোইড্রিবা লানফমগী লাউ খোংলবা থবায়গুম
ঈ চোংলবা লানবলগী থীরবা শক্তমগুম
তমথিনা মংলাক্লবা •

অহুবু
পাইরি অতিয়াদা, পাইরি নীংতম্না ।।

মশিং অহুম রাংলক্নি চেক্লাচাশিং,
অপঙবা থরায়শিং
নোংমদি খংউ শোয়দনা,
তমথিরবা মালেম লৈতঙ্গাইদা
তমথিবা খুৎলায় পায়তুনা
খোঙকম চেৎনা লেপ্লিবা তমথিবা হকচাংসিংনা
অমমম কপথরি নখোয়বু
নখোয়গী থরায়শিং
লৈতঙ্গায়থক্তা
ইচাই চাইনা তারি ।।

সনা কোন্নুংদা কীন্থখ্রবদা

মৈত্রবাক

লৈতঙ্গায় মাম্বা মৈত্রবাক

ক্ষত্রিবনে নঙগী অশিবা মঙলান্দকা

নোংমা ফাদোক

নঙগী সনা কোন্নুং সিংহাসন্দা

মূর্ত্তি ওইরবস্থ

হরাও মোমোন্ননা লৈমা নিংথৌ ॥

নঙগী অশিবা

মচেৎ মচেৎ কীন্থরক্লবা সনা কোন্নুং

অমম অথেং অহিংদা

অশিবা থবায়মীশিংনা তম্নবা নত্তনা

খাংঙথক্তা লোইথবা নিংথৌশিংগী,

করিবু তাবগে মৈত্রবাক ?

উরিব্রা হৌজিকপু ?

য়েলহৌঙৈ চহি চা কয়াগী মমাংগী

নিংথিবা বসন্তগী ফিজঙ মরুমম্না

লৈমা নিংথৌ মোমোন নোক

য়েংখিবদো লাইরেঙ্গী শাথেক ॥

মৈত্রবাক

নঙগী লবাই লেম্ফদা থাঙনা থুন্না খিনজিনবীরবা,

কনানা নঙগীদমক পি শিন্থখিগদগে

কনানা নঙগীদমক খুংলায় পায়বীখিগদগে ?

লাক্‌ল্রা নোংমল্লু ত্রেংথা ন্যাওইন্না
কীঙ্করক্ৰবা মগী সনা কোক্‌না
অমনবা ফিগাওতুনা ভীক্ষা হাপহল্লবা
কমনীংদ্রক্রা
নচা ননাইগী সনা য়ুমচুম্বা ?

পিদং পাদংলবা সনা হুম্ব
অশিবা মোনখাংনরবা
মোংফমগী লৈরাং কয়াদি মকা লাম্না শাংলি
হামচংনরবা ইতিহাসতি
তালোয় তানা কেপ্পি
মুংলক্রবা শক্তমশিং মনিং তম্না চংল্লি ।।

শিবা ঙায়রিবী
করিগী অমুক মঙ মংলুংনী মৈত্রবাক
সনা কোম্মুংনা কীম্বঙ্গবদা
নঙগী নচা ননাই লৈত্রবদা,
নোংমা লাকউকো
মোংফমগী হৈরাংনা মমুন ফাবকান
অশি ফিজোল শেংতুনা
সনা কোম্মুংগী য়ুম্ফমদা
নচা ননাইগী মোংফমদা ।।

মখোয়গী লমদম

ঃ ঙাংবা ঈথেংশিং পামজনা থক্রি নখোয়
হিংলিবা বয়াগী হবচাংদগী চিংথোক চিংথাক্তনা
অহুনা লাউরি খোল্লাউশিং
লীশিং লীশিংলক নিন্দা তৌরি
হিংফমদগী চিংথবিরীবা মখোয় কয়ানা ।।

মোংফমবু পামজনা তৌবীরি নখোয়না
শিঙ্গিবা বয়াগী তুংগীদমক,
নমজা নমথেক্তনা লোন্না নক্রগা ফোংনা
খৌরি চরম মেৎননবা তাল্লী ।।

মঙ মংবীরি প্রজা লাক্ক লাক্কশিংগীদমক
নখোয়গী মংদা,
চরি তংংবা থরায়শিং শিংংদনা শিঙ্গি,
শিংগি নাউদ্রিদা, হবচাং কায়াংতা
ঈ চেন্দ্রবা
তমথিবা খাযাংশিংতুনা উমশিনদুনা কংহুবা৮
লোংনা লোংনা হায়থগ্রি মখোয়শিং
লৈমায়দা কেন কেমতুনা মাঙলি
নখোয়গী থোৌনা কৈরা মীংমাংদা ।।

খুত্তাক লানশিরবা
নোংঙাম্রবা অহিং
বাংনা শাগংথ্রবা নখোয়গী
নাপলগী পল্লোন কয়াগী মরক্তা

কংহুনা মাংউলি [illegible] কয়া ।।
অচাৎবা ঈথেংশিং পামজনা থক্লি নখোয়
অঙথসিং নখোয়
ফুশোমিরবা কয়াহুগী কলেবা শকশিং
য়ানগে থক্লি নঙকপমশিংদা
অহ্‌গা লাউগে থক্লি "লানঙানী"
চুঙগী থুপকী
কি শেঙবা মীশিংহুগী
মতৌ তম্বহ্নুনা ।।

অঙথসিং
খৌনা লৈবশিং
কয়াদা পামজনা চীক্লিবা
মেংক... লৈ নাচোবী থক্নুনা,
অঙথসিং
কয়াদা পামজনা তারিবা
মৈবুগ মপৈশিংবু মনি মুক্তানি হায়হ্নুনা ।।

ঙসি
পুনথ মরুবা সমাজ
প্রঙা লাক লাকপী মীকপ মীহাওশোনক্লা
শিঙম নাঙমদনা শিথবা
হিংনা হিংনা মংশীরনা থম্বশিং
তরুসাই ওদুনা
মেংননবা থিরক্লি অংাসিংগী
নোয়রবা ঙকপমশিং
শকপী কংনবা খুংখাসিংদা ।।

ঋতু মামলুনি...

শিবনু অথেনপৌং কংজুনা

যোংকমবু পামজবা লৌপদৌরী

শিঙমহুনা শিরবা পুবার কয়াঙ্গী

মরক্তা

পাজ্রজনা মঙ মঙহনা চুমবা অদি ॥

লান অমগীদমক অনৌবা নাবাশিং

ভত্তনা মীরোলদনবী অতুগা মচাশিং পোক্লিবি
ঐখোয়গী হুপীশিং
চাশিনবা তান্তি হিদাকী মহত্তা নোংমৈ গুলিশিং

অতুগা মিতয়ক্রবা নাবাশিং
মখোয়দা নোংমৈ মরুশিং হান্দুনা
ভমথিনা অমদি থৌনা লৈনা
খোংদারকপা তারি মৈত্রবাক অমগীদমক ।।

চহি চা কয়া
পাং পুম্নক্লিবা হৌজিকস্তু লেঙ ওংপা ঙমদ্রিবা
ঐখোয়গী মৈত্রবাক
কনাদা শিন্নগদগে নাবাশিংত্তুদা নত্তনা ।।

লান
অতুগা মনম মনম ননশিন্নরিবা
ই
অতুগা মরোল মরোল থনকৎলক্লিবা,
পিরাংগীদমক শেম শাত্তুনা খুকথংদবা নত্তে
অনৌবা লান অমগীদমক শেম শাবা তারিবনি ।।

নাবাশিংত্তুগীদমক হৌজিক
মমা লীশিং লীশিংনা মঙ মথা মংবা তারি
চাবোকশংসিংদা নোংমৈ মরু কয়াগা লোয়ননা
অনৌবা আশাগীদমক ।।

থৌরী চিংখংলমদাই

ময়া অমদি মখুজিল য়াওব্রবা নোংশাশিং
কনানা হৌজিক থক থক নিক কিখিগদগে ?

মচিনবান্দা অপন্না ঈ মতং মতং পক্কনা
অপন্না শাদোংশিংগী
থৌনা নৈনা ফম্লীবাশং মওক্তা থৌরী থুহন্দুনা
তীঙ্খংগী সিংহাসনশীংদা
হে নোংশাশিং কয়াম কুইনা ওংখিগদগে
খোনফম তারবা খোঞ্জেলশিংদা ?

মওউ মং, মখা চত্থনা অশিবগী
ম্নুমিং থোক্তুবা লমদমগী অনৌ অপেন্দা
মীহাৎ থীরবা শওজিংবগী তমথিবা মীনোক্তা
মরু অসুম ফুক্কংলক্লীবা
তমথিবা থরায়শিংনা
য়াই থাজিন্দুনা য়াওলেন শক্কশিংগী ।।
নোক্লি
অনৌবা ঈথেংগী অমদি অনৌবা শাদোংশিংগীদমক
থৌরী চিংখংলমদাইশিদা
তারক্লি পাপ লীশিং লীশিংগী খুদাংশীংদা
ভুক্কংচবা তিন
হঙোয়না শিংথরকপা লাইওইপ্রবা থরায় কয়ানা ।।

ময়া অমদি মখুজিল য়াওব্রবা নোংশাশিং
হৌজিক কৈদোংগদগে ?

খরায় মচাশিংগী মৈ হৌরবা মমীংশিংদগী
কামথোরক্লিবা মৈরীকশিং
হৌজিক চাকখংলকপা তারবা
তীওখংগী সিংহাসনশিংসু
ঙুং ঙুং
কৈথৌগদগে ?

শেগাক শেগাম্ববিরবা মমা ওইবীগী থমোম্মশিং

ঈ মরকসিদা
ওন খোইনা শান্নজরিবা
চফম ওইননবা পামজনত্রু থকচরিবা ঈ খুজোক খুজোক ॥

পেন্দ্রীত্রা হৌজিক
ঐখোয়
মৈত্রনাক্কী নৈমায়থকসিদা ঈনা মীংশেল ওইহনা
ঐখোয়নক্কী
অত্তুগা কয়াদা ফজনা তারিবা অতেক অকায়গী মমিশিং ॥

করিবু ৱাংলিবগে ?
কন্ন ময়ান্না মরোল মরোল পৈররিবা
ফিগৌ শেংপি ইমাসিং তেংথানবা ঙায়রিবা
অত্তুগা
মোংফমশিংনা ময়া কাথোক্তুনা কৌথরিবা ॥

শান্তি হায়ববু মসিনি
ঙকসিং কেন্নিবশিনি
থোংলবা হকচাংগী ঈরিকসিং চাইথাইত্তুনা তারিবশিনি
অত্তুগা
কোম্বোং খুদিং ফিজৌ লৈরাং শাংলিবসিনি ।

হৌজিক
বসন্তগী ধুম থাংগী মতম্ন
নোংমৈ অমম্বুং বোমশিংগী তেঙ্গলসিং অমদি মৈনাসিংদা

মখোয়না তান থাম্লি
মৈত্রবাক পুম্লিল নিংলহল্লি ॥

শেগাক শেগায়বিরবা মমা ওইবীগি থমোয়সিং
মফি মরোল মফম থংজদ
মখোয়গী তাম্বা ফুং ইল্লি ॥

ইতিহাস
তঙাংবা ঈগী ময়েক্লা
পুং লংজবা, ময়াই কাজবা
কয়াদা চাওথোকচনিংঙাইনো নঙগী ॥

করিবু ব্রাবগে নত্রগা তেংথাবগে
কনাবু ?
হৌজিক শান্তিগী মতম্নি,
খুন্তাক লানশিরিবা অমম তথেঙগী অহিং ওইহুনম্লু
কনাম্বু লাউ খোংদে
দাবী অমগী দমক নত্রগা নিন্দা চান্মগী দমক ॥

ঈনা পুমথুম থুম্লি
পত্রাক পত্রাক তানরি
হৌজিক শান্তিগী মতম্নি ॥

মায়থুম ঙ্কি

ঙসি
নঙগী মায়থুম ফি হাংদোক্লি
য়েংনবা নঙগী অনৌবা মায়থোং ।।

ইতিহাসকী মমাঙদা
চংঙবা চহী চা কয়াগী মক্কমদা
ঙহ ! কয়াদি ইকায়জৱে নশামক
শক্তম ঙদ্রবা নংগী মায়থোঙগী মমক ।

থৱায় লীশিং লীশিং
মশাগী লাইবক্তা মথোংনা কাওশিনজরীবা
মহিং লীশিং লীশিং
মশাগী মোংফমশিং মশানা তৌজরীবা,
তুমশিল্লক্রবা সমাজগী
ফিজঙ মরুমদগী চেপ্তোকলক্তনা
শিরুম নারুম্নবা থৱায়শিং
নঙগী মায়থোঙগীঙমক
লীশিং লীশিংঙ্গবস্থু তেংথাখিবা তারি ।।

ঙসি
নঙগী মাঙঙবা শক্তমগীদমক
শিজবা তারি চাম্নরক
অহিংবা লীশিং লীশিং
অহিংবনা অহিংববু হাংতোকপদা
পাং পুমখিবা তারি থুগ কয়াহ্

নহাক ।।

খুমজিল্লসি মায়খুম ফি
অশিবা থবায় কয়া কয়াগা লোয়ননা
পথ পুমথবগী নমথিবা মরক্তা
শরুনবা পেয়া অশি ঈশৈ ।।

ঙসি
ইতিহাসকী লামায় খুদিংদা
ময়েক লানা ইবা খুদিংগী
পুমথরবা ইরিকশিংনা
যুগ কয়াসিংমক ।।

অশিবা মঙগী মায়োক্তা

কদায়দনো তম্ৎখুন তান্দুনা
নিঙথিবা মঙ অমতং মঙলুগদৌরিবা ?

থবায়নদি তজনা দাবী তৌরি
শান্তি
মহিংসিগা খেন্নবা অনৌবা মহিং অমগীদমক,
ফুংথিল
নিংথিরবী কৈন্যাহ্না মঙক তংতুনা
ফ্রিং ফ্রিং চোংহ্না তারবা
সহরগী লৈমায়দা,
তুম্ম্রবসু ঐ অত্থমক মীকপ থোকই ॥

হায়কেং হায়কেং তেংথাক্লই
অমুকক্ত জ্ঞান মাংই
মহিং কয়ানা
লমজা শাৱা পিদং পাদংপা ওইরকপদা
খোঙদগী তোন ফাওবা তম্চুংই
পোক্তিব্রা অঙাংহ্না
তুংগীদমক নিন্দা তৌহ্না লাউরকপদা ॥

তাইবঙদবু তজনা মঙলিবা
অশিবগী মঙ
শক্তম ওগ্রবা থগ্নায়মীশিংগী
মতং মতং তংলবা খোগ্লাউ
করিনো হায়গদবা মহিংসিগী

নিঙথিবা মঙ অমতংদি মঙনিংই
মোনখাংনেঙুনবু ওইহৗরবসু অশিবা খোঙ খুংশিং
অপূন্বা হকচাং সংগী মনন্না
অনৌবা অর শৈরেক ওইরক্লবসু ।।

অশিবা মহুৎকী মাৰী

চংলি সন্তাবাত্রা
অহিংশা, ধৰ্ম্ম, শান্তিগীদমক
পরেং পরেং খুংশন্নবা
ঐখোয়গী মীশিং ।।

লাউখি অমগা অমগা সুংশিনবগী
খল মাক্কগী
হক পুম্নমকীদমক
উঙ্কুল তানা মহুৎকী লৈমায় ।।

অহিং,
পত্রাক পত্রাক তাৰবা অশিবা মহুৎকী
অমাংবা পক্কবা যুরা দলান ময়ক্তগী
নিল খোংলকই
ঐ পক্কবা তমখিবা থমোয়শিং,
তিংখোক্লকই
ইরাং পক্কবা মশাশিংগী অশাংবা খুংশাশিং ।।
চেক মোক লাওদ অশিবা, মহুৎ
অশিবগী মঙদা মঙলাক্লরি ।।

অহিং,
ঐ থাংদ্রবি, মহাও পকত্রবি
অঙাওবী
শায়েন ঙায়েনবগুম
নমজা নমথেকপীরি
অমনা অমনা লাকখুবীরি
মরৈ হা হা তম ।।

লেঙ ঙংত্রবী সহুর
কনানা কনাগীদমক কশকদগে ?

হক মাংঙ্গবী
করিনা করিগীদমক লাউগদগে ?
অমাংবা পক্সবা ফুরা দলান
ওনখ্রি
হুঙ ওগবশিং, তমখিবা থমোয় কয়াগী
ওক্ত শঙ ॥
সুংথিল
লাউরি মরেঙ মরেঙ চংতুনা
অশিবা সহুরগী লৈমায়দা
অনৌবা থমোয় কয়ানা
ফুরা দলান মরক্তা ॥

ঙসি
অশিবা সহুরগী ময়োলদা
অহিংবা অঙাং অমা তারক্লি
মৈ মরক্তা থা ওম্না নাউপুরবা ;
অঙাওবীগী হকচাংদগী
অতুনা লোনখি
অমাংবা পক্সবা খোঙ খোঙনাওশিং
তমখিবা থমোয়শিংত্তুগী ॥

অহুবু হংলি
হক মাঙলবী অঙাওবীনা
কনাগী মচানো ?
কনাগী ঈনো ?

অশিবা খোঙচৎ শিগীদমক

কয়াম কুইনা ঐখোয় ঙান তাদনা
লান শোক্লখিগদগে ?
পোক্তি-বা নাবাগুম
ঈগী মমল খংনখিরোইদগে ?

ঐখোয় ঙান য়াওদ্রি
খুৎশেমগী থাওশাং মরক্তা
ওকশিং থাঙ্গৎতুনা ললোম্নরি ইশা ইশাবু
মোংফমগী লৈতঙ্গায় মরক্তা
ঙাওহনা ফুনরী"

খংই
পুন্সিশিংসে লোইনমক্তি মায়থিরে
হিকথরে থোনা য়াওদ্রে
মঙলাক্লবা
মুৎলক্লবা সভ্যতাগী ইতিহাসপু
ফিজি পায়তুনা য়ান্নগদবগী তাম্নবদা
ঈহিং নাইহিং শাজবে ।।

খোঙচৎ
অশিবগী অমদি তম্নলাইগী
ক্রক ক্রক লাক্না পুনশিনগবগুম
তম্নবা
শাঙাগী, ওক্লবা ওক্লবীশিংগী

অমখিবা মীনোকশিং লোয়ননা ॥

হে অওনবা, অহোংবা
ময়াই কারবা নিসাগী মহিংশিং
পোকখাইরক্কনা মৈগী চীংগুম
উং ওন্‌হনখিবরা সমাজ
নপ্রগা
পোকপা কুইদ্রিবা ঐখোয়গী মীংশিংদগী
টখেংশিংনা ঈশিং চায়বিগুম
কামথোরক্কনা শেংদোকপরা
পায়ে
শোয়দ্রবকী পায়ে ॥

অসৌবা আশাগীদমক অকায়বা মও

(১)

অতিয়াগী মায়থোঙদা তান্নি মশক থৌরবা
শক্তম ॥

চুথরক্রো
নোংখোং তোয়রবা কুমগী নোঙগুম
থক্লশি অচায়বা ঈ
চহি কয়া চঙনা কায়থরকখিবা অত্থগা শাগৎপ্রবা
লীশিং লীশিংগী থবায়না ॥

হিংচা য়াইতম মীহাংতা
থবায়বু য়োম্বোক্লত্নুনা
মুংশিবা য়াওম্রবা মীমুংশি পক্তুবা
থাঙগী থাঙহায় মরক্তা
ঈতনা য়েকপ্রবা শক্তম
চুথরক্রো নোংখোং তোয়না
মীতম্লনবা অচায়বা থবায় কয়া ॥

শিন্থরক্লনু
পি ওইনদি অঙাংবা ঈথেংগী
আশা লৈত্রবা,
খৌরি চরম মেৎপীরবী
লেংঙম শাঙমপ্রবী পৃথিবীগী মথাদা
লৌশিনবা য়াত্রিবা মতং মতংকী মরকসিদা ॥

(২)

অনৌবা জুংশাশ্বর,
অনৌবা মঙলান,
ঐখোয়গী পৃথিবী
করম্বা মতমদা নঙবু নীংতমগদগে ?
নঙ্গ্রগা
থবাক মীহৎপদা চোংলিবা মিহুন
করম্বা মীকুপতা পোকখাইনবা ঙাযরিবগে ?

(৩)

মচু শেংপ্রবা অতিয়া,
শোইনাইহন্নবী অতুগা পুমথরক্লবী পৃথিবী
মঙলাক্লি অমদি খর থিংলি
হৌজিক্তি ॥

মীশিং অমাদ মখোয়গী অথিবা ইতিহাস

পুল্লপ পুল্লপ চৎমীন্নরি, লেংগোন্নরুনা অমদি
থুংশন্নরুনা,
হীংমিন্নবগী অরাংবা শক্তাকচে অমমম পায়নররুনা
মীশিং
তুং মাঙ চৎমীন্নরি
অরাংবা রাখল অমদি আশা পুমিন্নররুনা
অতুবু
তুং থংবশিংনা থাঙ শৎতুনা য়ানখৎলক্লি
মাঙ থাবশিংনা লোংবৈ শত্তোক্লুনা কাপথরক্লি
মান্নবশিংনা তিন শিংচিন্নরি, অমাঙবা লংশিন্নরি
লান
তমথিবা অরোনবা লান ।।
মীশিং
হৌজিক অমনা অমগী মোংফম তৌবীরি
অমনা অমগী পোলোয় ঈশৈ শকপীরি
ইতিহাস শেম্বীরি
হৌজিক লোম্থোক্তবা লান ওইরি ।।

ঐখোয়গী মুমিং
ঈ কারবা মমীৎ লাওথোক্লক্লুনা
মঙাল অহুম চিংশিন শ্র
অহুগা থাদোক্লক্লি অঙাংবা মৈথু ।।

মীশিং

অহুম চংমীন্নরি
অকনবা খঙ্ক অমদি ঈপমিন্নদা
নোকমীন্নরি, কপমিন্নরি অমদি তেংবাংনরি
অমনা অমগীদমক কখোল্লরি
তমথিবা লান অত্থু ফুমজিন্দুনা ॥

মীশিং
হৌজিক মখোঙ মখুৎ ইতৎ তৎনরক্নী
রাখলশিং ইচোয় চোয়নরক্নি
অতুবু লাউ খোংঙ্গি, চংমীন্নরি
ঈমিন্নবগী অদাংবা শক্তাকচে পায়না পায়না
ফুমজিংঙ্গুনা তমথিনা শোয়নাইরবসিং ॥

পৃথিবী
অয়োবী নিসা কান্নতুনা
খোক খোক নোম্নক্নি,
অরোইবা খর অমগীদমক
শেম শাতুনতা লৈরি অমম্বা অহিংসিদা ॥

হৌজিক লাওগী মতম্মি

লুং পান অনিরক্তা
অচাকপা মৈরাগী লৈরাং শাংকায়রক্লবা
মৈত্রবাকী ইমাশিং
নথাক্নুংদগী নচাশিং থাজোক্লগন্নু হৌজিক ॥

হৌজিক
মায়থিরিবা লানফম্মি
মনাও তাবমখৈ নৈথংলক্লিবা লৈমায়নি
অশিবগী অহিং অমা শাগৎলক্লিবনি ॥

শেগাক শেগাইখিরবা ইমাশিংগী থমোয়
থাংউ
থিংবা ওমত্রবসু মীংকি পি
অশিবা নচাসিংগী মাংসিদা
হিংহৌরিবা নচাসিংতুগীদমক ॥

হৌজিক
কোম্বোং খুদিংগী মোংফম ভৌরবসু
যিঙৌশিংগী মরুমদা নৌরিবা থবায়শিং ভাররসু
চোবথনা লৈংদবা নত্তে মজারকপগী রাখলদা ॥

নোংমৈ অমদি বোমগী তমথিবা মৈনানা
শেংন খাইনহন্নবসু
ঈরিক চোংলবসু নচাশিংগী,
থোংলবা থবাকশিংদা বুটকী মমি লৈহল্লবসু
স্তুমিন্না থাওসি ইমাশিং
নথাক্নুংগী নচাশিংতুগীদমক ॥

ঐ থংলায় শায়দে

ইমা
নঙনদি ঐবু পোক্লকপদা
থাও হাপলক্কে
নোংমৈ পীরক্কে
বোম য়ালহল্লক্কে
পীরক্লিবদি অমরুংগী থবায়থকংনি
হৌজিক,
নঙবু নিন্দা তৌহনা
পেন্দবগী দাবী তৌবা তারিবরা
চিংখোক্কনা মোংফমদগী ॥

সমাজ
চুংথিলদা মৈক্সাও থাহনা লৈগী থিংলগদবা
অহিংদা মীৎ লংখংহুনা লান শোক্লরগদবা
সমাজ,
ওমদ্রগুনা,
পংপা, পুয়া হিংনা হিংনা ॥

ইমা
করিগী পীথকলক্লি ন্নাবা ওইরিবৈ
ইমাগী অমুক
পীথকপিরকপা য়াদবরা ঐ
অহিংবগী ঐ
খুবসিদা ঈনা ঐ থংদ্রি

শহুরা শহুম ফঁগ্নি
তম্নলাই !
অহিংবা মরক্তা তম্নলাই ঙাক্তা ওগ্নি ॥

বর চাম্মা চাম্মা ফংনিংই ঐ
মীংত্রা ঙাঙাঙবা ঈ চেন্‌বা
হিংচা য়াইতম্বগী থওয়ায় পানবা
ফংনিংই
থবায় কয়াম্নী মথক্তা নেংথবা ওম্বা ॥

হে লানফম !
মৈ হৌরবা লানফম
ঈনা থদ্রবা লানফম
হৌজিক
ঐ খংলায় পায়দে
ঐ তম্নলাই ওইদে ॥

ঐবু মশক থগুবা

নাইতোম চংলি
অমত্তগী লগীদা অসুম অসুম
করিগুম্বা মতমদা মীৎ লাওনা পাঙথোকই
মঙাল ঊনবা,
অসুম মমশিল্লকই, অসুম কিরকই
অত্তুনা
ঐ কনানো ইশানা ইশক থংজবে
ঐনা ঐবু অংথা থাজবে ॥

নোংমনা ঐ লালহৌই
খাঙ পায়তুনা
শীঙনবা রাখল চেন্দুনা
খরায় কয়াগী অমদি তমথিবা পুন্নমক্ত ॥

করিগুম্বা মতমদা ঐ হুরাগী
খুংঙাইনবা অমদি তোংজনবগীদমক
শাগী থমোয়দা
ইকায়বা থাদোকতুনা
পুন্নমকী অচেৎ অকোম য়েঙতুনা ॥
ঐনা ঐবু করম্না শক তাক্কদগে
অয়াই কারবা মফমশিদা
ঐনা ঐবু করম্না থম্বা ঙমলবগে ?
অদি ঐ
থর্থবু চেংনা থাজরী

মীগীদমক অমদি য়ৌভইবগীদমক
শি তান্না হুংশিবা উৎলি
অহিংশাগীদমক
মীরংশি চান্না চান্না পোক্লি ॥
হয়েংদি ঐ থাংমে
ঙসিগী অহিং খংমদা,
ঐ শা চাক্লবা য়াই, য়ু থক্লবা য়াই
মী হাৎলুবা য়াই
ঙক্তব থমোয়দা
হুৗ কয়াম্ব নৈহৎলুবা য়াই ॥
ঐগীদমক ঐ মীয়োক্লা [illegible]
লাইহোম চৎলিবা,
অমঙা মরকশিদা,
ইখত্তা খুদি মীয়ুন্না শিক্লবহ য়াই ॥
কয়াজনী হিংবগীদমক
কয়াদা তমথৗক্লিবা ঐ
কয়াদা মোৎলিবা ঐ ॥

হৌজিক
মীং উৎশিল্লবদি
কাঁশিগী শাগাই কান্নি
ঙক্কা থৌন্নি থুন্নি
খোংকমগী নৈমায়জা
আশা রাজ তান্নতা নৈন্নি ॥

ঐবু থাও শায়মু হায়রি

মৈত্রবাক

নরাইবক্তা খোঙপাক্কী মমি লৈছত্রে

নশামকী উনা,

নথুংপু তুংবুময়ে

অমনবা ফিজেৎনা,

শাদোংহু ইনশিনবিরে

নশামকী শাদোং শক্ত কক্তলো ।।

নিংঙাইদনা তুমি ঐ মৈথক্তা

পোক্তিংবা নারাগুম গৰ্ডনুংগী

হিংলি ঐ

তমখিবা পুন্নমক উনা উনা

নওগী নথানুংদা, নওগী নত্তাক্তা ।।

চৎলি গুলি নও

ওংশিরবি থবায়না

তুক্তিবা নচা লাক কুনগী মাইকৈ থুংলো

তিজকা অমগীদমক ।।

হে মৈত্রবাক

থৌনা মাওগুবী খোয়াউজা

শিয়াং পিরোইননা

তজনা হায়রী ঐঙোন্দা,

"নও থাও পায়া

নও লান হৌ

নঙ খল্লায় কর্মখু
মঙলান্দসু তাইবঙাসু
ঈ তারবী নঙগীদমক তত্না নিরি
খৌনা
লালহৌ
অকনবা লাঙ্ঙ অমগীদমক ॥

ঙসি
মৈথক্তা ফুল্লিবা ঐ
ঈ থক্লবা নোংশা চান্নগী পাক্লদা
তমথিনিংলকই
অকনবা লালহৌদা ॥

ঙসি গর্ভগুণ্দগী
তমথিবা মৈগী চৌংগুম
পোকথায়রব্দৌরি
অকনবা লানগীদমক
মখোয় কয়াদা
হে মৈত্রবাক নঙগীদমক
সুপগী নঙগীদমক ॥

নাউশুম ঈশৈ কনথংলক্লো ইমা

নাউশুম ঈশৈ কনথংলক্লো ইমা
নমথবীরিবি থবায়তুগী ।।

নোংমৈ চিংদোন্দা
তায়বংপং তানা, থবায়মি শক্তোক্তনা থগীরিবা
ঐখোয়গী পাখংশিং অমদি মুজাশিং
অনৌবা লুশাশ্বরগী অনৌবা থৌনাদা
মীকপ খোল্লবা ।।

নত্তে
মঙ্গারকপগী, ঈশিংনা পুমচোক চোংলবি
কায়নখিবা কয়াতুগী তেংথাবদা
পিনা মীৎপান থাগংনা চোংলবা অমদি চোংলবীশিং ।।

নত্তে
মরু ফুক্তোক্তনা শেগাক শেগাইবিরবা
ইতিহাসকী মরুমদা
শিরুম নারুমবা অহুগা অরোয়বা খর হোল্লিবা ।।

নাউশুম ঈশৈ কনথংলক্লো ইমা
মতং মতংকীদ ওইরবসু,
পাখংবা পন মাশক্তনা
সনামহী ফমথোং পায়তুনা
অতেক অকায়গী পথ পুমথরবা ঈ মরকশিদা
মৈত্রবাকী চীলাক ফাও ফাওতুনা
শুংশরনা চৎনীরনবা

নত্রগা অরঙবা থাঙশাংশিংগী জগোয় শাননবা ॥

করিসু নত্তে হৌজিক
অশিবা অহিংগী মায়য়োক্তা অহিংবা অয়ুক অমগীদমক
শেম শাবা তারিবনি ॥
য়েংউ !
মৈত্রবাকী চীংলোন মাপন নাপোয়কশিংদা
অনৌবা গুর অমগীদমক
শেম শানরিবা উপাল বাপালসিং ॥

কৈদৌগদগে ?
পুল্লপ পুল্লপ মীনোক লীশিংগী শক্তমদা
মৈত্রবাক শীন থুংহনবা নত্তনা
অরি অনৌগী থাঙ তাগী লালহৌদা
অমাং অশোয়গী থিনগৎলক্লিবা মঙক কয়াশিং
ককথৎত্তুনা মাঙহনবা নত্তনা ॥

মৈত্রবাক্কী নীংতম্বা অয়ুক্তা

অনৌবা নুমিৎ থোকলক্নী ঙসি
মৈত্রবাক্কী অতিয়াদা,
খুন্তাক লানশিংবা অহিংগী
মায়থিবরবা লাম্মীশিং
ঈ তৈথোক্লগা
মীকপ থোক্লকই অনৌবা থৌনাদা ।।

সহরগী কোকলেন্দা য়াকারকই
শিংবরবা কংলাশা
থাংকম লৌশিং লৌশিং মরক্তগী
অনৌবা মীৎকমদা অনৌবা থৌনাদা ।।

নিংবা থুংলবা লাশক
শিগ্রবা কয়ানা হিংহৌরিবা কয়াগীদমক
শকপিরম্বা
অনৌবা ঙসিগীদমক মাংজিল থাহনা
লাঙ্গংলম্বা ।।

ঙসি
লৈরোল চনগ্রবা মোংফমগী লৈমায় খুদিং
মকা লায়া লৈশাৎলক্রি
মৈত্রবাক্কী অশেংবা তম্পাক্তা
অনৌবা নুংশিৎ শীৎলক্রি ।।

অনৌবা ইতিহাস
অনৌবা সভ্যতা

খোয়জি খাদা মীহুন লাং
পোকওমদনা চহি চা কয়া,
ওসি
মৈত্রবাকী মথান্নুংদা
নারাগী মীকপ তাররে
অনৌবা মায়থোং উররে ॥

মীনোক তয়ক্লো
লৈমা লীশিংগুম নীংথিনা
নমদা মচা পোরিবী, খুদোং শিক্কম নাইরবী
চহি কয়া লান্নলুরবিশিং
নখোয় ॥

খোংচৎ
লম্মাংনদ্রবা খোংচৎ
অমগা অমগা খুৎশরনা
মৈত্রবাকী লমদা পম্বং লমী থির দবা
মৈরা পরেং থাল্লগদবা ॥

ওসি
ওৎপিরবী অহিংগী কপ লাউবনা লোইথ্রবদা
ঈ তৈরবা হকচাংসিংদগী
চৈনাখোলনা মাওথ্রবদা,
নোকচরবী মৈত্রবাক
কয়াদা চাওখোকচনিংঙাইনো নওগী ॥

ফজৈ মৈত্রবাক ফজৈ
নীংথি,
চহী কয়া খুন্তাক্লবনা

থংদেবনী নীংথিবা ॥

হে নীংতম্বা
চগী কযানো কৈশুমশংদা
লানফা ওইরুরিবা নংনা
মশা শাগন হিকথহন্দুনা,
পোত্থাবা ফংজরনি ঙসিদি
নঙালক্কা মৈত্রবাক
পুকমেন পাওমেন্নহুনা নচা লীশিং লীশিংগা ॥

লিংতম্মা তুমজনীংবগী অপাম্বা

অনৌবা পৃথিবী
নংগা খুং অমুক্তং শোংহনা ঐখোয়
নংগী বিন্দু অমথঙী মকম ওইরবস্তু
নীংতম্মা ফংজবা
করম্বা লুমিং থাদা লাক্কদগে ঐখোয়গী পূর্ণিমা ।।

অশিবগী মেঙ মঙালি ঐখোয়
কি শেংত্রবা অশিবগী ফমুংদা
নোংমৈ চীন্দোন্দা মংকাক্করী
ঈ থৈত্রবা মঙীন [illegible]
মঙফাওনবা তারকস্তু
উপায় লৈত্রবা পোংলোয় ইশৈ মরক্তা
কর্ মথক্তা ।।

হৌজিক
কনানা ঐখোয়বু খুং শোক[illegible] [illegible] ?
নীংতম্বা অধিকারগী [illegible]
তিন শীংলকপা
খোংনা কাংখায়রকপা নুংনা ।।
কনানা ঐখোয়বু ইকায় খুমজি ?
কি শেংত্রবা, [illegible]
আর্থ চেত্রবা মশাঙ
অমথিনা [illegible] [illegible]।


থোড়কম চেংনা লেপখিবগুম
লাক হুনবী কোকথকা
মখোয়না মঙ মঙলি তমখিবশিং,
অপাকপা থুবামশিং তিংখোক্লা
পাম্নবা হোৎনবী থবাম্মশিং ॥
হৌজিক
কনানা ঐখোয়বু ইকায় খুম্নবগে
তম্রজবী কৈতমশঙবা
নম্নসা
মোংকমবী লগীদা চিংশিনবীবা নঙনা ॥
অনৌবা পৃথিবী
নঙগা থৃং অমুক্তং শোক্লুনা
কঙলবা বিন্দু মচা অমথকী মকম
করবা মুমিং থাদা লাকখগে ?
শোক্লবী ঐখোয় চম্নাম্রবা থবাম্মশিং পুখোক্লা
থাদরিবা মোংকমবী হৌগৎক্লা
ঐ তৈখোক্লা
থৃঙোয় য়াঙনা
ঐখোয়গী অনৌবা আশাগীদমক ॥
নোংঙাম্রীবা অহিং
লাউ খোংনা মঙাঙক্রিবা অহিং
তম্লাইনা তমখিনা ওংলিবা অহিং,
ঐখোয় লাক্কেনরি তেংবা. তেংবানা
অনৌবা বিন্দু অমগীদমক ॥
চংলি ঐখোয় মরী মরী শক্লুনা

শিহুনা তারিবা
হৈংশিবা থজারশিংগী মরক্তা
শান্তিগীদমক নীংতম্বগীদমক
লাক্লেনহুনা
পি তপ তপ তাহুন্না ॥

খোঙচং
মায় পাক্তি্রবা খোঙচং
তৈথোক্লি ঐখোয় ইশাদা পক্লিবা ইশিং
অহুগা লাউব্রি
জয় ওইবা খোঙচং অমগীদমক লাক্লেন্দুনা ॥

অনৌবা পৃথিবী
নখাহুন্দা নোংযদি তুম্রনি ঐখোয়
নীংতম্না
নীংথিরবা অহিক অহুদা

—:(০):—



অহুমগী মরমদা ক্রিটিকশিংগী মত খরা

★ মাগী ইম্ফাল সহর (শৈরেং, ৯৫) অমসুং সাহারাগী মীকপ (ৱারীমচা, ৯৬) হৌজিকী মতমগী নহারোল অইবশিংনা ইনরক্লিবা অসিদগী থোইনা তাদবা খুৎইশিংনি। ......স্বরনা পেন্দবা, শাউনিংবা, থোয়শাওনবা ফিরেপ্পা পিরোইনবা, শীংনবা, অকনবা থৌনা। ... ... মগোন্দা শক্তি লৈবা খুৎই য়াওরি। ৱারেংগী ফজবা, অশেংবা পুন্সিগী মশক উৎপা ওস্বগী ৱারীমচা ইগদবা নহানি।

(নোংমাই পণ্ডিত, পোক্লফম, তাং ২৭।৫।৯৭ ইং)

★ অতুগা পুথোক্লকই, নিংথিরবা শৈরেংগী লাইরিক "ইম্ফাল সহর" (১৯৯৫) মনিপুরী সাহিত্যগী সেবারি ওইনা, মতুংদা অমুক খুদোল্লকই ৱারী মচাগী লাইরিক "সাহারাগী মীকপ" (১৯৯৬) মকা ফম্না মনিপুরী সাহিত্য লৈকোন্দা, মতুগী লৈনমস্থ সাহিত্য প্রেমীশিংগী থমোয়না ফাওনরে। ... ... মহাক্কুম্না অমদদি ঐথোয়না করি অমুক পীরু নে। মহাক্কননি ঐথোয়দা পীরিবদি, চরাংনরবা পুন্সিদা হিংবগী অনৌবা থৌনা অমা।

(সনথোং সিন্দিকেট, সনথোঙ জুলাই ১৯৯৬)

সাহারাগী মীকপ (ৱারীমচা, ৯৬)

★ লাইরিক অসি মপুম ওইনা য়েংবা মতমদা, হৌজিকী মতমগী ইনরিবা ৱারীমচাশিংগী পরিং অতুদগী হেন্দোক্লে হায়বা য়াই। ...... অইবা অসিগী থমোয়গী লৈয়োন্দা পক্লিবা ৱাখলগী লৈরিকশিং অসি থমোয় শেংনা শোক্লবদা শাইহাক্তি অপাবশিংগী পুক্লিবু খোন্দুনা ফুরা মলান, মোন্দুম-মোস্তেক, ৱাত্ত পাদবগী থোক্সালদগী হেন্দোক্লনা ইচম চম্না পুন্সিগা লাম্বেংনরিবা মুপা-মুপীশিংগী থাঙপোকশঙদা ফমতুনা, মিংকী পি তৈথোকমিন্নতুনা মথোয়গী পুন্সিগী মচলশিংদা তাউথতুনা চৎলুই। মসি ইচম চম্বা এক্সপরিএন্স নত্তে।

লোংজম জয়চন্দ্র